ৱাখলগী লৈরাং-পরেং

ENTERED

D2,1 NILA
k9

বাথলগী

লৈরাং-পরেং

"শিনবা হিংবনি ঐদি
হিংনবা ইবনি শিদনবা।"

নিলাধ্বজ।

কোংদোকপা—

শ্রীঅকোইজম নরেন্দ্র সিংহ

Nehru University-Centre Post-G...
2635
LIBRARY
Canchipur, Imphal

অহানবা নম্বা—১৯৬৯ ইং

কোপী—১,০০০

Call No:—

মমল লুপা ১·২৫

নম্ফম— দি ফ্রেণ্ডস ইউনিয়ন প্রেস, ইম্ফাল।

‘৺ইপাদা—’

কদাইদা ?

কনাদা ?

লাইগী লৈবাক্ত লাইরৈবাক্ত

লাইরৈবাক্ত নত্তে সর্গদা

সর্গদা থংদে লৈরম্বা মফম্‌দা

৺ইপাগী আত্মানা পেনবীবা ওইস্নু’

তোম্বা নচা—

সাহিত্য মন্দিরদা

ইমা মৈতৈ সাহিত্য মন্দিরদা—
নারা অঙাং ঐহাক্না
থম্মোয়গী অমমৃবা লৈকোন্দা
শাংপা পুক্লিংগী লৈরাংনা
য়াথম্না লাম্বা কংবমথে
ঙমৃদ ঙমৃদ হেক্চত্তনা
হৈত-হৈত লেংজরগা
কংচরি ঐগী লৈখন্
লৈচু য়াওদবা—লৈরাং
নাচোম্ লৈচা ঙাক্ঙমৃদবা
লৈনম্ লৈচু চেন্ত্রবা
পরেং খুংলেং নিংথি'ত্রবা
'য়াথন্গী লৈরাং পরেং'
লাম্থোক্চরি থরাই মঙা য়াওনা
পুক্লিং অনি লোংদনা ইমাগী খুয়াথাদা।

য়েংবদা ফজ্জদরে ইমক্ মকৃশিল্লে
তাবদা মুংশিদরে ইশি শিদরে ;
হৈদি হৈতনা লৈখোং শেংবদা
লৈরাং মরুদা শোইদংখ্রমালে
কংশিল্লকৃলে মশা থুইথরকৃলে মনা
কালেনৃগী মৈশা থাং' ঙমৃমোইদোরে
রাকৃচিংগী উনৃলেন্ লেপ' ঙমৃমোইদোরে
বসন্ত য়েন্নীং হুন' ঙমৃমোইদোরে।
ওঃ মালিনী চৈবীরমালে
সাহিত্য লৈকোন্ মপুনা,
মাইথোং ইঙাং ঙাংশিলৃলে
কুচু ইমু মুশিল্‌লে ;
খল্লকৃলে নিংঙমৃদনা রানা
করিজুংগী শেংলুবা
লৈরাং লৈখোং সাহিত্য মন্দির।

"মাংজৌননা"

ফজবরা ফজদবরা য়েংদনা তম্বদি
ভক্তি ব্যবহার খজিকৃতং রাৎমানে ;
হুংঙাইবরা হুংঙাইতবরা পাদনা লীবদি
রাখন্ খরদং থেন্' মানে ॥

হৈত্নুনা তৌবা নত্তে
পামৃজরুবনা ময়ামৃগী সেবানি ;
পেন্দবা হুংঙাইতবা 'পুম্বা
কেগেনা মুম্বী ওইবনি ॥

খংদে কয়া কুইনা নোকনি
খংদে কয়া কুইনা কপকৃনি ;
নোকৃলিবমখৈ কপ্লিবমখৈ তাখিনি মখোল্
তৎপ্রগা বৌণা তাররোই অমুকৃহন্না ॥

খংদবনা হৈতবদি ঐনি
উদবনা পাংদবদি ঐনি
হাপ্লীয়ু নতিক্ নংগী নগুণ
তৌনবা সেবা সাহিত্য মন্দির ইমাগী ॥

কনানা করি হায়বি'গে
তাইবং মী নংনা তৌববো ;
নোকৃনিংলগা নোকৃথোকউ হাঃ হাঃ
কপনিংলগা কপথোকউ ইঃ ইঃ ॥

অইবা

বাহৈ অনি

লৈজদে থম্মোয়গী থৌনা
য়াওজদে পুক্লিংগী পাঙ্গন্ ;
থোৎচদে রাহৈ রাত্তা
নৌজদে রাঙাং শাঙাং ॥
মীমান্নজদে ময়ামৃগুম্না ঐগী
ইথি থি ফজদবনা ;
থংজদে ভক্তি ব্যবহার
হৈজদে লৈশি লৈথোনৃবা ॥
তমৃবীদে ছৈশক ইমানা
তাকপীরমদে লম্বী ইপানা ;
কপ্পী তুমিন্-তুমিন্না
নোকৃই লোম্না-লোম্না ॥

× × ×

থংদমাল্লে থন্না সুংশিবীয়ু ।
লাল্লে থন্না ঙাক্পীয়ু ।
তোল্লে থংনা চানবীয়ু ।
লৈতরমাল্লে থংনা পীনবীয়ু ।

× × ×

নিজরি ইকাই ইকাই
হাপ্পীয়ু হরাও-হরাও
লৌজগে নোক্না নোক্না
পেনজগে থম্মোয় ঐগী ।

ননাই

নিলাধ্বজা

ঋাথন্গী তোবীমল্

'ঋাথন্গী লৈরাং পরেং' ঐগী য়েংবদা ফজবা, তাবদা নুংশিবা, পাবদা নুংঙাইবা, উবদা পাম্বা মথল্ মথল্ মথেন্ মথেন্ মচু কয়াগী রুহস্থনা পুল্লবা য়েংবগী পেন্'ঙম্দবা অয়িংবা, অমেংবা নিংথিবা ফজবা গুণ খিবিক্লা তিল্লবা শরতকী নোং-মংদবা শংবানবা অতিয়াদা থোকপা পূর্ণিমাগী য়েংবগী পেন্-ঙম্দবা থাজগুম্ অমদি বসন্তগী লৈশু খিবিক্লা লৈকা ফল্লা ফুগাইনা মকারাম্লা শাংলক্লবা মতম্দা উনা অপুংবা হৈনৌগী মপাল্ থোবোম্ থল্লা উম্লগা মঙাগুবা পঞ্চম্ স্বরদা 'কুহু' 'কুহু' খোং-লক্পা কোকিল্ লাবগী তাবদ তাঙম্দবা চেল্‌হৌদ্রবা শৈশক্-গুম্—মী চিক্লব লমহাং চৌংনুং মানুংদা মথন্ত শরতকী লৈনা থেংলবা অহিংগী তানজাদা খোইথুম্লবা থাবল্গী ইপোম্দা ঈরোইনত্থনা লাকপা ত'ম্নাগী তাম্ তাম্ হায়বা অথাপ্পনগী চৌংগী নাপোম্দা য়ৈরকপা উবদা উঙম্দবা তাবদা তাঙম্দবা নিংঙম-হৌদ্রবা তাম্নাগী ছৈপাল্ নত্তে।

থম্মোয় শোক্লা শাওবীগনু
পুক্নিং চংনা নোক্লবীগনু
নোঙরি নুংশিবীনবা ঐনা
কিজৈ ময়ামগী মীনোক্

পুক্নিংগী থৌইনশিন্না মফম্ মতম্ তানজা ইচা-চাদনা মিং নাকোং খোং খুৎনা উরুবা তারুবা শোক্লু থেংলুবা ঐগী

রাখন্‌গী কবিতা ছৈরেং থর তাল্‌ লয় সুর মহাও মনম্‌ মচু ইয়াওমক্‌ হেক য়াওদবমখৈ ছুমাং তানা পংরাদি রাদনা কন্না ইজরুরে। হন্না হন্না ইতোমতা অঙাওবদোনা কনা খংহন্‌ উহন্দনা লোন্না তুমিন তুমিন পাই, য়েংই। 'শেম্‌-শেম্‌ য়োংমাল্লি' হায়গুন্না পার-পার য়েংল-য়েংল অস্থম্‌ অস্থম্‌ ফজরকতরে, কুইর-কুইর থিজিল্লকলে থম্মোয়না তন্‌শিল্লক্‌লে পুক্লিং খোই-দারক্‌তে—পুখোক্‌পদা মী' মমাংদা ফজররোই, মীমান্নররোই মন্নাম্‌গুন্না; মী পোং খংদবগী খংদবা, উদবগী উদবা, অস্থম্‌ তুমিন্না লোন্না (ঈয়াইদা লোৎপা মনিনা মীনা খংবীদনা অরেম্ব-দা ডানবগুম, অমুকম্থ নারক্ত শাৎপা লৈরাংনা খংবী উবী-দনা অরেম্বদা শাৎতুনা মাংবগুম্‌) মাংহল্লগে থল্লক্‌লে। অম্বু হোৎনরুবগী অরাবা খল্লুবদা অমুক্‌স্থ নিংঙমুমক্‌তরে—হম্বরকপা রাখনদি ঈশিং চোৎতনা মান ফংঙম্‌গদরা ? তিংখং মুদনা লৈরাং হেক্‌' ঙম্‌গদরা? অরেম্বনি রাদনা মুংঙাইবা লৈডে, চাদনা থন্‌বা হৌনদে। রাখন্‌ অসি খল্লতুনা ইকাই খুম্নবগী মশক্‌ ওইরবা ওজা ইবুংঙোগী মফম্‌দা ইকাই-ইকাই, নোকমি নোক্‌মি, কিথি-কিরুম্‌, কোম্‌ কোম্‌ পাই'তুনা চিংনিং-চিংনিং চংজরে।

"অরানবদি ফজদবা থিবিক্‌
অথিবদি অশোইবা 'পুম্বা
নিজরি ঙাক্‌পীনবা ঐনা
হায়জরি মন্নামদা নোল্লুক্না"

মুংঙাইবদি অইবা খুৎই ঐগী ওজানা তরাম্‌ তরাম্‌ মুং-শিনা ওক্‌পীরগা হরাও-হরাও চেজেৎনা পাইবীতুনা থোজাল্‌-

বীরে। হন্না হন্না অয়ুক্ নুংথিল তুম্বা হিপ্পা চাবা থিদনা পাবীহুনা অরান্ অছুই অথিবনা কজবদা, রাংলম্বনা হাপ-চিন, হেললম্বনা লৌথোক্, তেলম্বনা শাংহন, শাংলম্বনা তেলহন মক্ষম্ মভাং চানা অনেম্ অরাং অচৌ পিশক্ চাং মাম্ননা কজনা নিংথিনা য়ারিবমথৈ ঙমজিবমথৈ শেম্তোক্ শেম্জিনবীহুনা হন্না শিপ্পোক্তুনা তাকপিরে ঐগীনি হায়বা থম্মোইগী পুক্নিংগী রাখনুগী রাহৈ রাতাবু ইয়াও য়াওদরে হায়বদা হায়মনুবা থোক-লোই অহুবু হোৎনজমনগী মহৈদি থজিকতং ফংনবা হায়হুনা নোঙনা ঐনা লাইরিক্কী মপু ওইজরি।

"লোৎপনি উদনবা চেংলৌ 'সে—তুমিন্না
ঙাংদবনি তাদনবা খোঞ্জেল্ 'সে—লাওনা
চৎপনি থংদনবা শকতম্ 'সে—কোইনা
য়েংদবনি মীৎনা তাদবনি না-না"

ময়াম্' মমাংদা ফোংদোক্লবা সাহিত্য লৈকোন্দা থাবীনবা হোৎনবদা রাখন্' মৈশা লাংবীখ্রে। হক্চাংগী অয়াবা থাংবীখ্রে ! নুংশিবীবদি অসি পুন্নমক্ অয়া অনা থাংবীহুনা ময়াম্ মমাংদা ফোংদোক্পীরে সাহিত্য মন্দির ইমাগী লৈকোন্দা থাবীরে। হয়াওবগী ঙমথৈ লৈতরে ! মুংঙাইবগী মপাল্ নাইদরে !! ঐনা হায়নিংই মম্হুনা লৈকুরবা লৈচিন্ নোংকাইনা ফুপ্লুরবা মশেক্ মঙাল্ থোক্লুব্রবা থাজ ওসিদি তরং-তরং তশেং-তশেংনা উবা ফংলে—শিগ্রবা মচাবু মমানা অমুক্ নৌহোনা মঙম্পাক্তা পম্বা ফংজবগুম্ হয়াওবনা থম্মোয় অসি তনিক্

তনিক্লে মুংঙাইবনা পুক্কিং অসি মখোল্ থোক্তনা মরোল্ লোনৃগ-দোরে, মুংশিং শিংতনা উনা লেংগদোরে। ওইথোক্তবদি ওইদবনা করিগুম্বা মুংশিং শিংতনা উনা লেংবা থোকলম্লবদি উপাল্ অতুগী উনা অতু ময়ামৃগা মান্নদরে ; শোইদনমক্কী লাইরা তিল্লা অমদি ওইরম্বা য়াই। লাই ওইরম্লবদি লাইচুদনবা লাইগা থেংনবা য়াদবা তাইবংমী ঐখোয়দি হান্না মাংজোননা চেক্‌শিনহৌবনা চুমই। হোন্দোকলুবা স্বরগী হোনৃজিল্লকপদা অরাবদি করিনা ওজাগী লম্মন্ শিংগদবনো—করিনা ওজানা পেনবীগদবনো খংদবদি ঐনা উজদে! অসি হায় হায়তুনসু—ইমতুম্ ওইনমক, লৈজদে করিসু ঐগীনি হায়বা নত্তনা ফোংদোকপা মুংঙাইজবা থম্মোয়গী ঈপাও!

[ঐগীদমক্তদি]

> "হায়তুনা কাম্নরোই তমৃতুনা লোইরোই
> রাথনৃগী সমুত্রনি থৌজালগী পুক্কনি
> —সুরুদি মমৃলবা লম্বী অহিংদা
> মঙাল্ মুংশিবগী নোংথাং কুপ্পীরি"

করিসু লৈজদে হায়জগদবা নিজগদবা নফমৃদদি ; হে থৌজাল হৈরবা, তাইবংগীদি মপু! তোল্লবদি কনাসু লৈজরবা ঐহাক্না নিজগদবা! শাংলবা পুম্সি থোংচংকী লম্বী লমৃশাংদা মুংতি মুমিং থুদিংগী ঙাইহাক্ ঙাইহাকৃত্তং, মীকুপ্ অম-মমতং ওইরবসু ওজাবু নিংশিংজবা ঙম্নবা থম্বা নাইদবা পুক্কিংগী পাঙ্গন শক্তি পীনবীবা অতুগা পূন্সিগী মুংঙাইবা—অমনা ওজানসু

ঐবু মতম কুইনা কাওবীদবা হায়না ঈশ্বরগী থুয়া খাদা 'থুং তরা লোম্নত্বনা প্রার্থনা তৌজরি

"ইনৃজগে 'য়াথং নংগী
ছিতোক্লোই কোলোই নংগী
শিজিন্নবীয়্ম হকচাং নৈতুম 'সে
লেংদনা তুমৃখিনি ঈরোম্নুংদা।"

ইতি--

তাং ১০।৭।৬৯ ইং

—অইবা

হিরম লামায়

হিরম		লামায়
১।	খুরুমজরি	১
২।	উরি	২
৩।	মেরাগী দৃশ্য	৪
৪।	খংবীরোই	৬
৫।	মুংঙাইবস্থু লাইরবস্থু	৭
৬।	পাংলুরো তাইবং শিন্থা	১০
৭।	নহাক্কী	১০
৮।	কদাই নংদি ঙসিদি	১২
৯।	তুরেল্	১৪
১০।	ঙমলোই	১৭
১১।	তাইবং খোংচৎ	১৮
১২।	হরাওজহৌ	২০
১৩।	খোগংনরবা পৃথিবী মাতা	২২
১৪।	হে মুংশিবা	২৪
১৫।	অরাবনি নং য়াওদ্রবা পুন্স	২৫
১৬।	য়েংজহৌ উরিঙৈদা পেন্না	২৭
১৭।	হয়েংদি	২৮
১৮।	উনা খংনা	৩০
১৯।	ঙসিদি	৩১
২০।	শিবা	৩৩
২১।	অথিবা ফজবা	৩৫
২২।	নিংশিং মূর্ত্তি	৩৬
২৩।	অঙাওবা	৩৭
২৪।	কাওগনু	৩৯

হিরম	লামায়

২৫। মপুগী লীলা — ৪০
২৬। বসন্ত ঋতুদা ঐগী মিংয়েং — ৪১
২৭। লেল্লনি পুন্সি নিংঙমৃদনা — ৪৩
২৮। ঐখোয়পুম্বা — ৪৫
২৯। ভান্ত ভানবীযু — ৪৭
৩০। মিংচং — ৪৮
৩১। চিন্থিবা — ৪৯
৩২। অশাওবা — ৫১
৩৩। চেকশিল্লু — ৫৩
৩৪। ওইনিংঙুরে অমুক হন্না — ৫৫
৩৫। পীনাবয়ু হে ঈশ্বর — ৫৬
৩৬। পুন্সি ঈচেল — ৫৮
৩৭। ঈহৌ — ৫৯
৩৮। মীওই' পুন্সি — ৬১
৩৯। চেক্লা পুন্সি — ৬১
৪০। মৈতৈ কবি নহা খোম্নৌবা — ৬৫
৪১। শাংহনসি মতম নাইদনা — ৬৮
৪২। জরান ভারতকী — ৭২
৪৩। অপংবা তাইবং — ৭৪
৪৪। ভারত ইমাগী নোংশা পাঙ্গনবা — ৭৬
৪৫। লেনজগে মতম — ৭৮
৪৬। অরেম্বা ভাক্তনি — ৮০

বাখলগী

লৈরাং-পরেং

খুরুমজরি

অহিংগী অমম্বা কোক্খ্রে
নোং ঙাললে হৌগৎলো ।
কোরৌ মশেক্ ফাওরক্লে
নোংপোক্ চীংয়া ঙান্থোরক্লে ।
উচেক্ রা-য়া য়াহোরক্লে
স্বরগী খোম্থাং য়ৈরক্লে ।
ত'ইবং ইনিল নাইরক্লে
খোঞ্জেলগী ঈথক্ হোরক্লে ।
লৈরাং মপৈ শাৎকাইরক্লে
খোইমু শঙ্গু পাইরক্লে ।
লিরি মালং থোংদোইরক্লে
লৈনা-লৈনা হুম্লক্লে ;
হৈনম্ লৈনম্ পুন্না
তাইবং লৈকোন্নুং ফাও'না ॥
হোয়ো হোরো থোকলো মিকপ্

তুমন্থনা লৈরিবা তাইবংশা !
কোরৌ খোংচৎ লানৃথ্রগা
রাথন্ হুংশুক্ হুংজানি।
পুক্লিং য়েন্নৌং হুল্লোই
নিংজবা আশা কাইগনি।
খনৃজবা লম্বী তেন্গনি
পুক্সিগী নিংঙম্দবা লাকনি।

হে অয়ুক্কী লাইরেম্বী-ও !
হৈরাং লৈরাংগী ঈমাইদা
খুরু খুদক্ কুন লৈতানা
খুরুমজরি জগৎকীদি মপু ও !!
পীনবীয়ু থৌজালদি নংগী
ঙম্জবা ঙসিগুম্না হয়েংস্ু ;
উজবা নশক্ নংগী
শকচবা নগুণ নংগী ॥

উরি

অন্নাবা মাগী শকতম্
হুংঙাইতবা মাগী রাথন্
য়েংজনিংদে ইমিৎ'সিনা পেন্না
তাজনিংদে ইনা'সিনা মুন্না।

অঙাওবগী নোকনিংবা রাহৈ,
অঙাংগী য়েংনিংবা কুম্মৈ,
তানিংই রাহৈদো নোক্না
য়েংনিংই কুম্মৈদো হরাওনা।
য়েক্লবা মাগী মরাহৈ,
কাক্কী অয়াকপা খোঞ্জেল,
নুংশিবা মাগী মাইথোং,
কোকিলগী নুংশিবা সুর
তানিংদে উনিংদবা মাগী
য়ারা কোলোয় মপাও ;
উজনিংই তাজনিংই থম্মোয়না
মিতারুবা ঐগী রাথন্না।
নুংঙাইবা মাগী ছৈখোন্,
লায়রবা মাগী তেংথাখোল্,
হরাওবগী মীনোক্—,
অরাবগী পিরাং—,
ভুরেনগী লেপ্‌ত' ঈচেল্,
পুখ্রিগী লেংদ' ঈশিং,
থাজগী অইংবা মঙাল,
কোরৌগী অশাবা মৈশা
উরে থংলে ঐখোয় 'পুম্বা।
থাইরি তাইবং মালং পান্দা
অরাবা নুংঙাইবা মাম্নদনা

ফজবা অথিবা খেন্নবা
লায়রবা ঈনাকৃথুনবা ভিন্নদনা ।
মথন মচুগী রসনা য়োন্নবা
থংবগী লোইবা নাইদবা
য়েংবগী পেন্‌বা লৈতবা
নহাক্না শেমবা জগৎতা
উরি অচৌ-পিশক
অনেম অরাং কয়া ।

মেরাগী দৃশ্য

উরুবদা মেরাগী দৃশ্য
পুক্নিং খোইরাং খোইশাওনৈ,
রাধন্ মুংঙক্ মুংজানৈ !
হৌফম থংদবা অপাকপা
লোইফম লৈতবা অশাংবা
শংবানবা অরাংবা অভিরাদা
নিংঙাইদনা পাইরিবা লৈচিন্না
তাইবং পুক্নিং মুংঙোল্‌হল্লী ।
থম্মোয় ঈরাং হৌহল্লি ।
ওন্‌থিবা লম্‌দম্‌দা
য়েংথিবা মাইকৈদা
মীৎয়েংগী পোইরৈদা

হৌরিবা উপাল রাপাল্ কয়ানা
লেপলি তুমিন-তুমিন্না
ঈচিক চিকহল্লি মালেমসে
ইতন্ তলহল্লি তাইবংসে।
চেপ্লপ্না পিরকপা কোরৌগী
মঙাল্দা তাইবং হক্চাং পুম্বা
লুপশিন্দুনা অশাবা অইংবা
মঙাল্দা মালেম্থক্তে কম্থুনা য়াইজরি।
শুম্লে তাইবং কয়া
তুম্হল্লে মপুগী তম্পাক্তা
মংলুরে মং কয়া
চৎলুরে মফম কয়াদা।
হৌখিবা মমাংগী মুংঙাইবা,
অরাবা খিবিক নিংশিংহুনা
মাইকৈ মরি লৈনা য়েংলগা
কনানা নিংঙম্দবা মাইথোংনা
পিরাং চোৎনা শিম্মহুনা
মুংঙাইতবা ছৈরোন্ শকলি।
অঙকপনি নিংথিবনি ফজবনি অরাবনি
উরিবা তারিবা পাইরিবা চোল্লিবা!
উরুবা ঐনা তারুবা মানা
নিংশিংদবা ঙমদে থনদবা ঙমদে
তৌবদি ঙম্বা মপু মাবুদি।

খংবিরোই

কনানা খংবীরোই অরাবা
কনানা উবীরোই সুংঙাইতবা
খাংই রানা খম্মোয়না
লেল্লি পুন্সি নিংঙমদনা।
কংদে নোংমতস্থ অরাবগী পিরাং
লেপ্তে নোংমতস্থ নিংঙম্দবগী ঈচেল্
চৎলে চৎনা কম্লে কম্না
লোই উহৈদবা অঙাওবগী শকতম
পুই য়েংহৈদবা চিন্তাগী পোৎলুম্।
য়াদে খনগস্থ রাখন্না
য়াদে রাগস্থ পুক্লিংনা ;
খঙ্গদেনে অচুম্ অরান্
নিংশিংদেনে অফ ফৎত
চাই খকুই অফংবা
ওইনে পুন্সি লাইমন।
অরেম্বনি বসন্ত লৈরাং
য়েংজনিংদে ইমিৎসিনা ;
অরেম্বনি কোকিল সুর
তাজনিংদে ইনাকোংসিনা।
ঐনা রাবা উরগা
নংনা কপ্পা তারগা
মুনা-মুনা য়েংই মানা

ৱাখলগী লৈরাং-পরেং

নোকৃই তুমিন্ তুমিন্না সমাজনা।
অরাবা পুন্সি মপোকৃনি
লাইর শীংদা চন্‌বনি,
তাইবং কুম্মৈ ওইনবা
লৈকাই ৱারী শানবা
থারকৃপনি ঈশ্বরনা তাইবংদা।
লেল্লু ৱানা-ৱানা
থাংউ কপ্‌না কপ্‌না
হায়ত্রিক্ষাও পুন্সি'সিনা
বিদাই বিদাই সংসারদগী।

হুংঙাইবস্তু লাইরবস্তু

করিগী পোকৃলম্মী তাইবংদা
লাইর' মপোক্ত—
করিগী য়াওহল্‌লম্মী
মালেম্ শেম্বা ?
নোকৃপরা উরগা
হুংঙাইবরা তারগা
অরাবা মাগী শকৃক্ষম্
হুংঙাইতবা মাগী খোঞ্জেল্ ?
শেমহনা শেম্রবদি চপ্‌ মান্নন।

অহুম্নক্ অহুম্ শেম্বীরম্মু
করিগী অমুক্ খাইরি
অচৌ-পিশক্ অনেম্ অরাং
লাইর' ঈনাক্থুনবা, অরৈবা লৈতবা ?
নোকৃলি থম্মোয় থুম্না হরাওনা
কপ্লি থম্মোয় কাইনা রানা
মুংঙাই' কোন্দা পোক্চবী
লাইর' শংদা চাওজবী
শিংঙেল লৈরাং কয়ানা।
তারেদো মহাক্কী রাঙাং
উরেদো মহাক্কী শক্তম্
খল্লকলেদো ঐগী থম্মোয়না
নিংশিংলক্লেদো ঐগী রাখম্না
থাইমালে নংনা অচান্-অরাই
নাইমালে নংনা মীচং সঙ্গন ?
শক্উদবা নংগী অঙক্পা অকিবা
মখন্ মথেন্ মায়াগী তাইবংদা
অমম্ অঙান্ অনিদা শান্নরিবা
তাইবং মেলাগী কুম্মৈবু লোম্না
অমম্বদগী থুপ্না য়েংলগা
নোকপরা হরাওনা নহাক্না ?
চাদি চানিং লৈতি লৈত
রানা রানা খাংজবা

লোয়া লোয়া কপ্‌চবা
খংবীরোই উবীরোই কনানা।
লৈত্তে হায়রগা হেল্লীদো
খাম্বী মৈশা লাংজবা
তিন্‌জনিংদেদে ভাইবং মীরক্
থোকহনজনিংদেনে সমাজ হরাও কুম্মে
লৈত্তে হায়বা রাখয়া
থম্মোয় মুংশুক্ মুংজানা
মাইথোং ইমক্ মক্‌শিন্
কণ্ডাও শিংদ চল্লীবীনি।
কপ্পা থম্মোয় শোক্লা
খাংউ রানা রানা
শিন্থৌ পিরাং লোয়া
যেংউ মুংঙাইবা মাগী মচৌ।
কাওগন্নু নিংশিংউ রাদনবা
মুংঙাইবস্নু লাইরবস্নু ঐখোয় 'পুম্বা
হায়গনি সংসার বিদায়
চৎকনি লম্বী অমত্তুদা।

পাংলুরো তাইবং শিক্ষা

চৎলো চৎসি, থাপ্পা অরাপ্পদা
খোংকাপ লাওনা কান্দুনা পন্থুংফমদা ॥
শাংলবা লম্বীগী, ভম্নবা চীংদোনৃনি
অন্নাবা খোংচৎকী, মম্লবা খোংথাংনি ॥
লেপতুনা য়েংবা, নংদি ময়াইদা
কমতুনা লৈবা, মাদি মথোংদা ;
উরোই স্বর্গগী, ফজবা পারিজাত
থংলোই মুংশিবা, লৈগী মনম্ ॥
উরগা মশক্ পেনৃগনি থম্মোয় নংগী
তারগা মনম্ ইংগনি রাথন্ নংগী ॥
রাথনবু চুম্নবদি, পাঙনবু লেপ্ত্রবদি
য়োগনি লমদম্‌দো, উগনি চেংলোদো ॥
হোরো হোরো, তাইবং যাত্রিক পুম্বা
পাংলুরো তাইবং শিক্ষা পোকপগী মহৈ য়াম্নবা

নহাক্কী

জগৎপু শেম্বীবা
মালেমবু শাবীবা
বিশ্ব মোহিনীগী শকতম লৌরিবা
হে মায়া' রূপী !

নহাক্কী অথোৎপা রাঙাং
নহাক্কী ফজবা মায়থোং
নহাক্কী মোমোন্ মীনোক্
নহাক্কী মিৎতা শাবান্না
পান্নবদা মহাক অদো
শাদে কালেন্‌গী মুংশা
ইংদে নিংথম্‌থাগী মুংশিৎ
তাদে মালেমথক্তা রাকচিংগী উন্
ফাওদে হক্‌চাংদা অরাবা মুংঙাইতবা
চৎলি অশোংবা নারক্
অমংবা উমং রামং
কিদে তম্‌থিরবা শা-কৈ।
নহাক্কী মুংশি মীনোক্তা
নহাক্কী মুংশিল জালদা
চহি কোটি কোটি চংনা
শাগৎলবা অরংবা ফজবা
মিৎথক্রবা ফুরা দলান
থুৎশেম কয়া কয়া
মিৎনা কুপ্পদা মচেৎ মচেৎ
কাইহন্দুনা লৈমাইথক্তা
উফুল্‌গী মপৈ ওল্‌হন্দুনা
লৈকংলাগী মশক্ ওইহল্লি।
অশোংবা নারক্ উরক্

য়েংবদা লৈঙম্‌নবা মকম্‌
তাবদা তাঙম্‌নবা খোঞ্জেল
ওইহল্লি নুংঙাইবা কোম্নুং
তাহল্লি হরাওবা সুর।
জগৎপু ভূম্‌হন্নগে তাকহন্নগে
মালেম্বু ফজহনগে নিংখিহন্নগে
হরাওহনগে নুংঙাইহন্নগে ঙম্বা
মায়া হৈবী নহ'ক্কী
মিৎয়েংগী তোর্ব্বান্দা শাৎলবা
নহাক্কী নুংশি খোংবান্দা
তাংত্নবা লৈরবা তাইবংনি।

কদায় নংদি ঙসিদি

পুন্সিগী অহানবা
নু শি ঈহৌরক্‌পদা
খেংনখিবা নংবু
কৎথোক্‌খিবা থম্মোয়
চিল্লোক্লখিবা থম্মোয় অক্লাদা
রাশক্লখিবা অমত্তা ওইনা
কদাই নংদি ঙসিদি ?
হায়খিবদাই নোংমত্তু, থাবলনা,
ঈপোম্‌ হৌরবা মালংদা,

শানিমিন্নসি তাইবং ঈপাক ;
নৌরেল খুৎতা পাইদুনা
শাঙ্গে হিমাই চুমঙ্গে
য়ৌত্রিকাও' পন্থুংফম্‌দা
কদাই নংদি ঙাসদি ?

করি থোকলে 'সিদ
পাক্লবা মায়া ঈপাক্তা
নৌরেল খুৎতা পাইদুনা
মায়াগী হিদা তোংদুনা
য়ৌনিংবা পন্থুংফম য়ৌগে
চংনিংবা মাইকৈ চৎকে খল্লুবদি
তাইবং ঈয়াইদা ঈল্লাক্লরেদো
কদাই নংদি ঙসিদি ?

নিংঙমদ্রবা থম্মোয়না
পোলেপফম থংদবা রাখন্না
হোনসি হায়র হোনঙমদ
হনসি হায়র হনঙমদ
তাইবং ঈপাকথক 'সিদা
কনা খংদ উদনা
পু'ন্স অসি অরেম্বদা কেমলেদো
কদাই নংদি ঙসিদি ?
পাক্লবা সমুত্র খোংবান্দ
শারবা লৈঙোই'থক্তা লেপ্পগা

মিৎস্না অনি নিংথিবী
মূনা মূনা য়েংলগা পেললোকো ;
থংলম্নবদি করিগুম্বা
লাম্নমলোইদবনি ঈপাকতো
থারমলোইদবনি নৌরেল লাইজথক্তা
কদাই নংদি ভসিদি ?
থংলে থংলে মায়াহৈবী !
নংগী মায়াগী শকতমদা
শুমহৎভুনা পোলেপকম
থংত্রবা লমকাংলবা রাধম্না
লুপভুনা লৈকুরবা তাইবং ঐনি ;
থংঙেদো হৌক্তিকতি
উরেদো ইমিৎসিথিৎনা
তারেদো ইনাসিমুম্না
চৎলরোইদো লম্বীদো নৌনা
উররোইদে শকতমদো অমুকহন্না ।

তুরেল

অরাংবা চীংথক্কুগী পিক্লবা
থোংলম ময়াম্না পুলপ
তিম্নহুনা অমত্তা ওইবগী

লিংজেল লৈবা উৎতুনা
মপুগী নিংথিবা তম্পাক্তা
অৱাংবা মফমদগী অনেম্বা লমদমদা
খেক্লা খোইনা চেন্দুনা
তুরেন্না তাইবং ঐখোয়দা
পুন্সি খোদাং উংাপরি।
নোংমতম্ত কনা অমগা
ৱারী-তুনা মতম মাংহনদে।
তোৰ্ব্বানগী থেক খোইরবা ঈচেলদা
মুংশি ঈহৌরকপা শাবী শানৌশিংগী
চেংহি শম্বান লাংতুনা
মুংশি ৱারী শামিন্নরগা
কাইদ কাইদ নোকমিন্নবা;
তোৰ্ব্বান থক্কী অমম্না পোকপা মমাগী
মচ কাইনবগী অৱাবা
মিংলু আনগী পিরাংনা
চোংলবা নিংঙমদবা তেংথাখোল
তানা-তানা য়েংনা-য়েংনা
হন্না ফাও' য়েংলমদনা
চেল্লি লেপ্পা কৌবা নাইদনা।
কনাগীম্ত মাংনবা তৌদে
কনাগম্ত থংন চৈনদে;
অথিবম্ম কজবম্ম চংজরকপা

মীবু হরাওনা হুংশিনা
কোকহল্লি অরাম খোরাংবা।
কালেনগী শারবা হুংশানা
মালেম থক্ত লৈবা ওমত্রবদা
চানবী হৈবা পীন হৈবা
নহাক্কী অথুপ অকোই লৈত্রবা
তোর্ব্বানগী পাক্লবা ঈয়াইদা.
হুপী অঙাং অহল নহা
শন ব্রাহ্মণ খাক্তনা
জাতি বিজ্ঞাপ্তি নাইদনা
হুংঙাইবা অইংবা লাইক্ত পিবীহুনা
হরান চেন চোংহনা শান্নবগী খোঞ্জেনুনা
লোইরোই ওমথবা তোর্ব্বান অনিদা
খোম্থাং য়েত্তনা ইনিল নিল্লি
কনাগী অথিবা রাহৈ
কনাগী ফজবা রাঙাং
তমথোকতে হায়দোকতে কনাদম্ব
উৎতে হুংঙাইতবা শাওনিংবা শকফম।
পুকচেল চাওবা রাখল চেৎপা
ধর্ম্ম চেনবা শান্তি লৈবা ঈচেলনি।
লেপতনা চেনখ্রো ঈচেল
পন্দনা থুংখ্রো পম্বুং
তমবীরমমো অউবা থুদিংদা

তাকপীরম্লো খতাবা মীপুমদা
ধর্ম্মগী মপাও শান্তিগী ঈচেল।

ঙমলোই

নচাগী নুংঙাইনবা শনবদা
খম্মোয় 'পুম্বা কংথোকপা
নোপতে চাংদমনবদা ইমা
মালেম পৃথিবীগস্-:হল্লী
ইমানা লূম্বা, ফজব ।

কৌজগে খম্মোয় পেম্না
ইমা! ইমা!! নুংশিবী!!!
শকচংগ নুংশি ছৈশক্
খম্মোয়গী মেংলবা তারদা।

নগাবু চাওনবা য়োকপদা
তম্বাবদা থোক্নবা মরোল
নংগ্রবনি ইঙ ইঙেন নোং,
কালেনগী নুংশা, নিংথমগী অম্বিংবা।

নোংমতস্ু হায়দে রাই,
নোংমতস্ব শোনদে ঙমদে,
নচাগী নুংশিবগী প্রেম্না
খল্লবা খম্মোয়গী লকা নুংদা।

উজ্জ্বলগা নচাগী মাইথোং
য়েংজৈ পেন্না-পেন্না ;
নোকচৈ থম্মোয় পেন্না
ইমাগী মুংঙাইবগী আশাকোন্দা।

মপাল নাইদবা সমুদ্রনি
লোইবা ঙমলোই লিঙ্গুম্মা
মুংশি ছৈশক মুংশি
ছৈগম ইমাগী তাইবংদা।

তাইবং খোংচৎ

কনানো অথোবা !
পাক্না মাইকৈ মরি
শিনবা থুংনা শন্দোকখ্রিবা
সমুদ্রগী খোংবান্দা
নমিৎ মিৎক্ষম হোংদনা
নথোং অনি লেংদনা
লৈঙোই'থক্ত ব্রাশ্ম ঙাংদনা
নতোমতা কনা থংদ-উদনা
অচিকপদা মরূপ-মপাং কনা'য়াওদনা
শুক্লা মমূলবা অহিংদা
রাখন্ থন্জানরিবা নংবো ?

লমথুংফম্ লৈতবা তাইবং ঈপাকৃনি
পোৎথাফম্ লৈতবা তাইবং ঈচেল্নি
চংজফম্ লৈতবা তাইবং নারকৃনি
শান্তি লৈতবা তাইবং ফম্বাকৃনি
কৌগদরনে নংবু থৌনা ফবা
শোম্নগদরনে তাইবং মীয়াম্না
নিংশিংনগদরনে মীপুম-ত্তিংনা
লাম্লগা ঈশিংগী অপাকপা ঈপাকতো ?

নত্তে-নত্তে মহুনা নংবু
কৌগদবা ঈশ্বরগী মচা যীশু খৃষ্ট ;
ঙানগদবা নত্তে মতম চুপ্পদা
হুমিৎ থাগুম্না মালেমদা ;
থোক্লগদবা নত্তে লেংদনা
তগুপ তরংনা ঙাশ্লিবা
থব্রানমিচাকফুম্না অমমবদা ;
লেপকদবা নত্তে অমর চীংগুম্না
ঊগদবা নত্তে অক-ফৎত ময়ামগী।

অমমবা পুন্সি থোংচৎনি
ঊদবা লম্বী লমশাংনি
অঙানবা ঙাক্ত চৎলগা
থোইনা হেন্না হুংঙাইতে ;
অশুকপদা ওম্না চৎলগা
অহুক হাক্না ৱারুদে।

হরাওজহৌ

কনা অমনা মিপাইনরে
কনা অমনা হরাওনরে
উবদা মপৈ-মপৈ
মুশুক্-মুশুক্ মূনা
শংবান্নবা লোই'থম নাইদবা
অহাংবা অতিয়াদা নিংভাইদনা পাইরিবা
অমুবা লৈচিলগী মপৈ।
হুমলক্লে খোংয়াংবী মালং
মথক্-মথা নোংপোক-নোংচুপ
শিন'থুংলে অতিয়া মকোক
ইমম্ মমাশিল্লকলে মালেম্সে
ইশুক্ শুকশিল্লক্লে তাইবংসে
তারক্লে লৈমাইথক্ত তপ্-তপ্
য়ৈরক্লে উনা'থক্ত পোপ্-পোপ্
হৈথরকলে মুম'থক্ত জম্-জম্
নিংকলে পুমনিল জয়ধ্বনিনা।
ইভো ভোরকলে মালেম্'থক্সে
থললে পাং-পুখ্রি খোংবাল চোম্না
লংলে লবুক-লোয়া লাইজনা;
য়েংথি-য়েংথিবা মফমদা
ওনথি ওনথিবা লমদমদা।

ইফদা ফজাপ্রে মিংয়েংসে
ইনৌতা নৌপ্রে পুক্নিংসে।
হরাওজরে নোংগোবী চেক্লা
থম্মোয় অনি শোক্লা
ফমলে পুক্নিং লৈতানা
রাশাগী কৈরাথক্ত নোক্লা
থকলে পুক্নিং পেল্লা
লিংখরকলিবা লাইজ উনাথক্তগী।
থম্মোয় পিরাংনরুরবা
রাথন্ লমফাংনরুরবা
লাইজথক্তী লৈরাং থরো
হৌজিক্তি পুক্নং মকা লাম্লে
শারকলে জগোয় হ'য়না হুম্না
থাজ পুক্নিং মিতাজনা
থাবলগী ইপোম্ মরক্ত;
উরুবদা মাইথোং থরোগী
ইকাইজরে থাজ লোৎচরে লৈচিল্লক্ত,
হুম্লকলে পাওজেল্ হৈবী মালং
লৈরাং লৈকাদা
হায়রকলে তাম্না মানবী সুরদা
শাজহৌ জগোয় লৈনা-লৈনা
থাজ মানা নোংচুপ চীংয়া থাংগ্লগা

কোরৌ মৈশা লাংগনি
শীংঙেল অমুক্ নোকপা ফংলোই।

খোগংনরবা পৃথিবী মাতা

কংলে-কংলে মালেম পুম্বা
লৈভরে ঈশিং লৈক্রক্ চৎলে,
লৈভরে অইংবা অচোৎপা মকম্
লবুক্ লমৃহাং পাৎ-পুখ্রি খোংবাল্।
পোমদরে থম্বাল লাইজথক্ত
শাৎতরে থরে' পাৎ'য়াইদা
ঙংখিদরে খোইমু লৈরাং লৈকাদা
চিলোক্লদরে শীংঙেল নাপদ';
পাইরকতরে ঙান্থু থঙ্গোং পরেং
চাক্তারদরে উরোক শঙ্গু।
হৌখিদরে নাপী মালেমথক্ত
শাৎখিদরে লৈরাং লৈপান্দা
পানখিদরে উহৈ হৈপান্দ
হুনখিদরে য়েন্নীং অনৌবা
কাইদোংখিদরে পোম্বী-চেক্লা উকৈদা
চিলোক্লদরে অমত্তা ওইনা।
কংশিল্লকলে উপাল্-ব্লাপল্'পুম্বা

হৌগদৌরে মৈ অকংবা উনা-রানা
চাকদৌরে মহাপ্রলয়গী মৈ
ওনথিগদৌরে উৎকী মরুভূমি ।
রারে-রারে মালেম লৈমা
খৌগংনরে ঈশিং-ঈশিং ,
অমৃত থোক্ত্রবা পলেম্‌গী
থক্‌পা ফংত্রবা নারাগী
শকৃফম য়েংঙম্‌দরে উহৈদরে।
মহী মনাই য়াওত্রবা মালেম্‌গী
উপাল্‌ রাপল্‌ শিরুম নারুমলে ;
মচাগী মতৌ য়েংবা ঙমত্রবা
মমাগী কাইরবা থম্মোয়গী
'হুংগী অরাবা থোরক্কদৌরে ।
তাইবংগী খোল্লাও, শাগী খোঞ্জেল
মাইকৈ তরা শিনৃবা থুংখ্রে ;
খৌরাংবগী মিকপ মিরাংখোল্লা
লৈবাক্‌ লৈমা চেক্‌খাইগদৌরে ।
রাশাগী ফৈরা কংশিল্লকৃপে
নোংগোবী খোঞ্জেল্‌ শিন্থরকৃলে
তাগদৌরে মালেমথক্ত লৈনা ;
তারক্‌লোগবা মপু নংগী লাইজ
চোৎহল্‌লোগবা মালেম্‌ লৈমসে

পাংহনবীরো ইমা মমিৎ য়মাই
হৌদোক্পীরো তুম্লুরবা নচা ময়াম্

হে নুংশিবা

হে নুংশিবা !
কল্লিদা নহাক্কী লিচিং
লৈতে ওমদবা
নহাক্কী লাংদা থুরবা মহাক্তো
কদাইদগী কনানা নত্তোন্দা
কররা পিরম্বগে ?
শারবা কালেনগী নুংশা
ইংলবা য়াক্চিংগী উল্লেন্
শাদে ইংদে দেহেদা
অহোইনচুম্ নুংঙাইহল্লি থম্মোয়দা।
শোংলবা উমং চৎলি
করিস্নু য়াওদনা খুৎতা খুৎলাই
কিদে কনাবুস্নু মহাক্না
লৈরম্সনু শা-কৈ, হীংচাবা
উৎকনি নুপা থৌদাং
করিস্নু নিংহন্নবোই পুক্নিংনা।
কাইনহল্লি নুংদগী নুংশিরবা

মাংনেমদা অনি ভুত্রবা
ইমা-ইপা, ঔচিন-ঔনাও
দুংশিনদে শাগৈ-নাত্তে।
য়েংথিনৈ অমপা-অমগা
হাংবৈ-গুনৈ রাখাল সৈতবা
শা-ভাগী পুজিগুম
খলুবে ঔদি মাঁনি।
খংলে খংলে মংদি
মায়া পুবগী মপুনি;
জগৎপু শেঙ্গীবা
মালেমবু শাবীবা
ভুম্হনগে ভাক্হনগে ভম্বা
হে দুংশিবা!

অবাবনি নং য়াওদ্রেবা পুন্সি

নং য়াওত্রবা পুন্সংসে ঐশী
অরেঙ্গনি, অরেঙ্গনি করিম্নু কাম্রক্রবা;
মঙ্গাল্ গোকভবা থাঙ্গুমলে,
সৈশা নাংদবা ভুম্নিংকুমলে।
ইহাং হাংলে অশোংবা নারুক্
ইমম্ মম্লে অযুক দুংথিল

পামদরে পারিজাৎ হুংশিদরে কেটুকী
য়েংনিংদরে কোকিল তানিংদরে তাম্না ;
মেরাগী থাবল্ বসন্ত লৈরাং
থাই-থাই, পাম্দে-পাম্দে
খোইদ'দে-খোইদাদে থম্মোয়না ঐগী ।
অরা-হুংডাই পুন্সি ঈচেল্দা
থম্মোয় অনি চিল্লোক্না অমত্তা ওই
থুক্তেং অনি পাললোইন ঈচেল্দা
তাওথমিন্নবা মিৎয়েং অনি পুন্ন ।
অরাবা পুন্সিগী হুংডাইবা ঈপাক্তু
অমৃতগী অথুম্বা ঈরিক অমত্তং
লৈজবা নংগী থকৃমিন্নবা ঐগা
কাওমিন্নব' অরা-অনা খিবিক্ ।
লানৃঙম্লোই. লানৃঙম্লোই ঈপাক্
য়াওদরে, য়াওদরে নৌ হিমাই চুম্নব' ;
চৎঙম্লোই, চৎঙম্লোই কালেনগী হুংশা
লাংদরে, লাংদরে উরুম্ উপাল্গী ।
অমম্বা পুন্সিগী তাইবং লম্বীদ
মঙালগী খোংফম পিতুনা নোক্না
তাওথরিবনি ঈচেলদা হ ওই নংনা
থকতুনা হুংশিবগী ঈরিক্ 'মতং
লাম্নরিবনি ঈপাক্ থুংনারবনি পম্বেং ।

য়েংজহৌ ভরিভৈদা পেন্না

মেরাগী থাবল্—
ঈচিক্ চিকখ্রে মক্ষম্ খুদিং
ইঙৌ তৌখ্রে য়ে খিবা লম্দম্
ইনৌতা নৌরে থম্মোয়ংসে ।
ওল্লু-ওল্লুবা মাইকৈদা
থেংলু-থেংলুবা মক্ষমদা
নিংশিংলকুলে হৌখিবা মমাংথাগী
পুন্সি বারী কয়া ;
হৌরকলে রাখন্ ঈপোম্
কারকুলে ঈথক্ থম্মোয়দা
থেংলরে পুক্নিং তোর্ব্বান্দ
ঙৈররে খোঞ্জেল খোক্না ।
রারকুলে থম্মোয়না উরুবদা
তাইহাকুথকী লৈচিন মপৈ
শাম্নরিবা নোংমদোনথকী লীলা
উৎলিবা মায়া তাইবং ঐখোয়দা ।
তাল্লি থাজনা লংনা
তাকুলি ঐখোয় মাওইবদা
য়েংজহৌ মুনা-মুনা
নোকচহৌ পেন্না-পেন্না ।
তুসি তাবা কোকিলগী খোঞ্জেল

হয়েং যৈরকৃপ' তায়াগী খোম্বাং
মামরোই মথন্ মচু নাইনি
খেন্নগনি অভেন্-অমাং
উগনি অমেন্-অরাং।
ওসি থেকপা থুৎখেকা
হয়েং শাবা অগোল্লগা
অরাবা মুংঙাইবা উগনি ;
উৎলি ভৎভনা ঐখোয়না
নিংশিংউ কাওগনু মীওইবা
য়েংজহৌ উরিভৈদা পেম্না
নোকচহৌ হয়াওরিভৈদা মুংঙাইবা
ওসি উবনা অরোইবনি।

হয়েংদি

ওয়াং য়াবা কপ্পা
হৌজিক নিংঙম্বনা লেনুবা
পুন্সি অসি ভাইবন্দী
হয়েংদি অহুক হয়া
হয়াওনা পেম্না নোক্কনি
লেননি পুন্সি মুংঙাইবা।
ওসাই অহুক পোম্বা মাদিম্বা

হৌজিক হুংখিল নৈমন্ চল্লে,
নিংঙমদরে মিপ'ইচাওবা খোইমু।
হৌজিক পোম্বা কয়ানা
হয়াওনা হয়েংদি শাৎকাইরনি
কংলনি উবা
থাজগী অইংবা মাইথোং
কোয়ৌগী অশাবা শকৃতম্
হয়াওরনি খোইমু ময়াম্।
ঙসি যুম্থে'ং কোইনা
চাকনি কিন্নিরিবা ভিক্ষারি
হয়েং নিংথৌ মহারাণীনি।

হৌজিক্ মম্‌বা মিৎ তাংবা
হয়েং ঙানৃনি অমুক হন্না
উগনি বসন্ত ঋতুগী কজবা।
তাব্রথস্ত হুংশিবা তাম্নাগী খোজেল্
নিংথিবা সুর কোকিলগী ঙসি
তানি হয়েং হয়াওনা নাপংবা।
তাইবংগী তোর্ব্বান্দ ঙন্নি
হয়াও মথোই কাথনা
নোকচরম্বা ঊনাকথুন্‌বা
হয়েংদি লেন্নি পুন্সি
কপ্পা-কপ্পা নারক্ত
কনানা তম্বা ঙমগনি

লেপতবা তাইবংগী ঈচেলদা।
চৌজিক্ শারম্ব মংগী দলান্
চোরেল খোক্‌পা মিকপ্‌তা
কাইখিগনি মিকুপ্তা মালংদা
তাখিগনি লৈমাইথক্ত মচেৎ-মচেৎ;
উগনি নমিৎচুনা মমিদো
তাগনি নাকোংচুনা খোজেল্‌দো।

উনা খংনা

পাক্‌ই শাংই চাওনা।
নিকই কি ওক্লা।
চৎলি মম্‌না উদনা।
তম্লি খংনা চাদে।
শুদে হায়না লায়রৈ।
নোম্‌ই হায়না সুংঙাই।
হৈত্তে হায়না তম্বী।
থংই হায়না ঙাংই।
কম্লে শক্লা নোক্‌ই।
শোম্লে শক্লা কি।
সুংঙাইরে খংনা হরাওই
লায়রৈ খংনা কপ্পী।

পিকৃই হায়না উশিংতে ;
চাওই হায়না নোল্লুকই।
মমৃই হায়না গুকই।
ঙাল্লি হায়না লংই।
হৈরে হায়না চাওই।
খংদরে হায়না পংই।
পিকৃই শক্লা নেমই।
চাওই শক্ল ম্লাংই।
লৈতরে হায়না ম্লাই।
লৈরে হায়না মুংঙাই।
লাই হায়না কোমথোকই।
লুই হায়না চেক্‌শিল্লি।
চোৎলে হায়না পেৎলি।
কংলে হায়না কনৃশিল্লি।

ওসিদি

উজরে 'মৎসিনা
তাজরে 'নাসিনা উৎলিবা নহাকী
তৌবা ওম্বা নাতক্ নগুণ।
চেল্‌হল্‌লে মলেমৃথক্ত রেলগাড়ী
পাইহল্‌লে মালেমৃক্ত এরোপ্লেন

তাহল্লে অয়াকৃপা নংগী খোঞ্জেল
উহল্লে অরংবা নংগী হৃকচাংপুম্বা।
য়েংহল্লি তাইবং ময়ামদা
মমিৎ কুপ্‌ তনা অঙকপা,
অকিব' ফজবা নহাক্কী
নওং নত্তৌ শাওং শাদা।
খল্লি থম্মোয়দা ; ফাওরি
পুক্নিংদা, চেল্লি অথুম্বা
নংগী য়াখনুগী ঈচেল্‌ !
লৌরে মুংশিৎতগী অরাব'
মুংঙাইবা রস কয়াগী পাওজেল্‌ ;
হর'ওহল্লে মুংঙাইহল্লে তাইবংসে
নোক্‌চরে ঐখোয় পেম্মা।
করম্বা কাম্দ কনাগী য়াখম্না
কনাগী খোঁয়াংনা অথাম্নবু
জয় তৌগদগে খল্লম্বা
ঙসিদি মরুফুক্না তৌরে
জয়-জয় ঐখোয়না।
লৈতরে অমম্ব' কৌবা
মপু মাগী খুৎশেম্‌ মুং'সিদা
ঙাল্‌হল্লে থকৃহল্লে মিৎ
অয়ুক্‌ মুংথিল্‌ নাইদনা।
লাকৃলি অনৌবা য়াখন্‌

পুথোকলি অকিবা শকখম্
উৎলি তাইবং মালংদা ;
লৈতে লেপ্পা কৌবা
চংশিল্লি খোংথাং লাওনা লাওনা
কান্দুনা চাওখৎপগী মাংলোমদা ।

শিবা

কদাইদনো নংনা চেনুগদবা
থৎলিব' নমাংদগী ঈপাক্তো ;
লুপ খিনি য়োরগা ঈপাক্তা
লৈতে অমর তাইবংগী ।

হৌফমদগী হৌরগা তুরেল্লা
চেনুবনি খেক্লা খে য়না তোরৈগী
য়েল্লুবনি মীপুম্ তিংনা লাইজ
চৎলুবনি লম্বী লম্ফাং ।

তারখিনি সমুদ্র' ঈরোল্লুংদা
চৎলুরগা মায়কৈ শিন্' থুংনা ;
লেপ্‌তনা চেনবা ঈচেল্লি
পম্দনা য়ৌখিনি ঈতিন্‌ফম্‌দা ।

অচৌবা তুরেনগী ধ্বনি
অপিকপা খোংগী ঈরাওখোল্

পুল্লখিনি অনিমক্ অমত্তা
চুপ্ শিল্লখিগনি সমুদ্রগী গর্ভদা।
করিগী কাওরুই অপংবা
ঙসি চৎখিবা খোংচৎ
হয়েং তেনৃশিনগনি লম্বী
য়োরক্কনি অরোই-পম্বুংক্ষমদা
চাওবনি ঈথক্ মুংঙাইবগীনা
পিকৃপনি ঈপোম লায়রবগীনা
খোঞ্জেল্ অনি থোক্লা
স্বর অনি ফাংনা চেনৃবনি।
লুপ্ লখিগনি কালগী গর্ভদা
অমুবা অরংবা খিবিক্,
তুম্লখিগনি অচৌ পিশক
তারখিগনি অশিবগী থয়াংতা!
চৎলখিনি ঐখোয়' পুম্বা
ঙন্না লাক্পনা হান্না
কোন্না লাক্পনা থেংনা
অহান-অকোন অথেং-অঙন নাইনা।

অথিবা ফজবা

থিম্ব থিগ্রেদা লায়রবা ;
নয়ুম্ য়েংই কদাই—
ইমন্ মনশিল্লে ইসে শেগাইরে
উচেক রা-য়া হরাওনরে
কাক্ শাম্নফম ওইরে
য়েংবদা মীনা খোইদাদরে ।
নশক্ য়েংই উনিংদে
নতৌ য়েংই য়েংনিংদে
নরা তাই তানিংদে
ইথিদা থি কাক্ মাল্লি
সুকৃষুংদা ষুংশিদে মকু মাল্লি,
কুচু তৌই থাসি অহিংগুম্ই
নগুণ তৌই অকংবা তৌগুমই ;
মাই মাই সুকপাম্দা পাম্জদে
ইরিদা লিথৎলি নোংবান হায়বদো
অতুবু লায়দি লায়রখিদে মহাক্তো ।
ফসু কজৈদা ঈনাকৃথুনবা !
নয়ুম য়েংই কদাই—
ইহন্ হল্লি ইকন্ কল্লি
উচেক্ রা-য়া ইকাইজরে
কাক্ তোংগদবা হঙ্গোইরে

উবদ' মীনা খোইদারে।
নশক্ য়েংই মুংশি
নতৌ য়েংই য়েংনিংই
ঙাংথোরকপা সুরনা তম্নাগুমই
তানিংই রসতো কোকিলগুম্না,
নশক্ ফংই থাজগুমৃই
নগুন্ ফংই মুমিংকুমৃই
কুচুনা মেরাগী থাবল্গুম্বনি
ইম্বুংদা মুংশি ইপামৃতা পামৃই
ইনৌতা নৌই খম্ব' হায়বদো
অতমওইনমক ইনাকতি খুনখিদে মহাক্তো।

নিংশিং মুর্ত্তি

উরুবদ' মাইথোং নংগী নোংমা
হৌখি ঈপোম্ হক্চাং 'পুম্বা,
থোংখি বসন্তগুম্না শিংজি তুথুপ্না
চেম্বুম্রে ঈচেল নংগী প্রেমদা।
লাপ্লবদা মিৎয়েং, উপ্রবদা চেংলৌ
তাপ্রবদা খো'প্রেল, লৈত্রবদা নাক্ত
লাকই, লাকই চেংলৌ নংগী
উরুই ফাওতুনা মিংকী লম্বীদা।

নাইদে মফম্ লেপ্তে মতম্
উত্রগা চেংলৌ তাত্রগা থোঞ্জেল
মুংঙাইত্রগা পুক্লিংনা নিংঙম্ত্রগা থম্মোয়না
লাকৃই নংগীদমক্ত নিংশিংবা কৌবনা ।
লেপ্তনা উই চেংলৌ নংগী
তত্তনা তাই থোঞ্জেল নংগী
শাথিবা রারৌ লৈথিবা মফম
উরি তারি থম্মোয়গী মিংশেলদ ।
লেপ্পা লৈতে তাদে ময়েং
দেশ কাল্ মফম্ মতম্ থাইদে
থল্লুরগা পুক্লিংনা নিংশিংলুরগা থম্মোয়না
লাকৃই লাকৃই মূর্ত্তি নংগী ।

অঙাওবা

ঈশ্বর নংগী ফম্বাক্ থক্'সিদা
চৎলি মহাকতো
মকোক মরু ইফা ফা
রাথন্ লম্ফাংনা
পম্বুংফম থংদনা
তারুবা মফম্দা য়াতারুরি
থেংঙুবা মফম্দা লেপ্লুরি

খংদে মশাদা ইকাই ইকি
লৈত্তে ব্যবহার লম চৎ
ফজবা অৰিবা
চাই অপুম্বা।
থকৃই অনৈবা।
কনানা উরগা নংবু
শোল্লি মচিন্দ রাহৈনা
থল্লি পুক্লিংদঃ ওইবিদবা নংগুম্না।
ঙাংনিংবদা ঙাং
শকনিংবদা শক
চৎলি সমাজ লমজাও শোরোক্ত,
তাইবং নারক-শিংলক
ইল্লি অঙাং শঙ্গু
য়েংলি অহল মপৈ
নোকলি নংগী রাঙাং তারগা
লক্করি তারগা নংগী
মরী লৈনদবা রাহৈ রাতা
চৈবীরি অথাক্‌পা রাঙাংনা
অচুবু কাওদে মশাদা
অচুক্‌ হাক্না শাওবা
খংদে অরাবা অনাবা
চৎলি তাইবং লম্বীদগী তোপ্না

ঙাংই শক্ই সমাজগা মান্নদনা
উরিদো নংগুম্বা লিশিং লিশিং
চৎলিদো তাইবং মালংপান্‌বসিদা
অপু-নবা অমনা পুতুনা
লেল্লিদো পুন্সি শি-নবা ।

কাওগন্নু

হুমিৎ খোরক্লে নোং ঙাল্লে
ইঙান্ ঙাল্লে মালেম্ পুম্বা ;
উচেক্ রায়া য়াহৌরক্লে
ইনিল্ নিল্লে খোঙ্গেল্না ॥
হুমিৎ তাখ্রে মম্লে
ইশুক শুক্খ্রে তাইবং পুম্বা ;
অহিং ওইশিল্লক্লে থেংজিল্লক্লে
ইচিক্ চিক্খ্রে জগৎ পুম্বা ॥
নোং ঙানগদৌরে ঙরাংগী মতৌগুম্না
লাক্কদৌরে মথং কাইদনা ;
চৎখিনি অমুক্হন্না
খোরক্কনি অমুক্ নৌনা ॥
কাওগন্নু তাইবং ও অপংবা !
নিংশিংউ পুক্নিং চংনা

খল্লু খঙ্মোয় য়াওনা ;
তৌগ্রবা থবক থিনা
ঙাংগ্রবা য়া মীনম্বা
ফরক্লরোই অমুক্হন্না
থাজররোই কনানম্ভু নংবু ॥
চেনগ্রবা ঈচেল তুরেনগী
চৎখ্রবা মতম ঙসিগী
হল্লকৎলরোই অমুক্ নোংহৌনা
লাক্লরোই অমুক্ হন্না ॥

মপুগী লীলা

শংলে উপাল্ য়াপাল্ লাকলে বসন্ত
খোংলি কোকিল নহা খোঙ্নৌবা কুহু কুহু
শাৎলে হৈরাং লৈরাং লৈকাফন্না
ঙংলি খোইমু ল'বা খ্বাংজেংবা গুন গুন ॥
ফজবা বন্দা, নিংথিবা কুঞ্জদা, অচিকপদা
শারি জগোয় নোম্না নোম্ন রাহোং লাবা অমোম অনি ;
উরুবদা মতৌ তাক্লবদা খোঞ্জেল্
কুপতরে মিৎ হায়দরে হকচাং হুংগী মুর্ত্তিগুম্না ॥
লাকলে য়াওশং উনরে মায়থোং অনি হয়াওনরে
শামিন্নরে হুংশি য়ারি নোঙমিন্নরে মোমোন্ মোমোন্ ;

পাইমিন্নৱে খুজেং অনি পালোয়না
চোংমিন্নরে থাবল কাইদ কাইদ খোংথাংদা ॥
ফজৈ নিংথি ইবুংঙো নংগী লিলা
ইংনা চিক্লা লেম্না মিং থকৃই
সুক্লা মমৃনা খংদনা ৱাথন্ লম্মু কনৈ ;
অকিবনা মাংওইনা অৱাবনা তুংওইনা
য়েংজরি তনিক্ তনিক্ নংগী লিলা ॥
ফজনা উহনবিমু পুক্রিং ঐগী পেম্না
সুংশিনা তাহনৃবামু থম্মোয় ঐগী খোইদানা ;
চংদনবা ফংতবা ৱাথন থম্মোয়দা
ঙাংদনবা ওইদবা ৱাহৈ পুক্রিংগী ॥

বসন্ত ঋতুদা ঐগী মিৎয়েং

কুমৃওনগী অনৌবা চহিগী খোংচৎতা
লাকৃলে অনৌবা বসন্ত ঋতু ;
শাংলুক্রবা লৈগী মপাল্ লৈপান্দা
পালুক্রবা হৈগী মহৈ হৈপান্দা।
হোংলকৃলে অমনৃবা ফিজোল্ লৌহোনা
অনৌবা বসন্ত ঋতুগী য়েন্নীং —
হুললকৃলে অনৌবা শকৃকমৃগী সুংঙাইবা
হৈমি-লৈমি হৈপাল্ লৈপান্দা।

শাৎলে অহানবা মিৎয়েংগী লৈপান্দা।
নিংথিবা লৈরাং লৈকা কয়া;
পাললে উহৈ হৈপান্দা চুয়া
ওইরিবা পুন্সি খোংচৎ অহানবা।
লৈগী লৈনম হুংশিবা থম্মোয়দা
হৈগী হৈনম অথুম্বা চিনবান্দা
য়েংনিংঙুরে মীৎ 'সিনা ঐগী পামজনা
খোইদাক্নরে থম্মোয়না ঐগী হরাওনা।
মচু কয়াগী নিংথিবা লৈরাং
উপাল কয়াগী অশংবা মনা
নিংথিজরে মাংলেমসে ফজরে তাইবংসে
শান্নগদৌরে মপুগী জগোয় রাস।
কৌবুলিয়া মপালগী অমৃত চুপলবা
নিংঙমহৌদ্রবা খোয়নিংগী খোঞ্জেল—
হৈনৌ মপাল খোবোম থন্না উয়ব'
পেলহৌদ্রবা কোকিলগী পঞ্চম স্বর;
উহনবীরো লেপতনা নংগী কুম্মৈ
তাহনবীরো চৎতন' নংগী খোঞ্জেল
পেনজগে উনিংলবা ঐগী মীৎ 'সিনা
হরাওজগে তানিংলবা ঐগী ন' 'সিনা
নাঙ্খিবা বসন্তগী লিরি খোংদোইদা
মালং ইপাল লাংলিবা নৌয়বা
উনা বানাগী অশংবা কৈরাথক

উরবদি পোম্বী চেক্লা খব্রাং তোং
তারুবদি পোথা পোথা চিলোক্লবগী খোম্বাং
থম্মোয় ঐগী লকাহুংদা অরোনবা মুংগী
কোংঙম্ব্রবা রাথলগী লান্'ঙমত্রবা মপুগী
মুংশি ঈচেল্ অমা তোর্ব্বান্ থুম্না
ইপোম্ হৌনা চাওনা কারকুলে।
তোর্ব্বান্গী চাংজৌ মান্নরবা ঈপাক্তু
তাওথরি ঐগী হিনা ঈথুংকম্ খংদনা

লেল্লনি পুন্সি নিংঙম্দনা

হে জগৎ শেম্বা মপু!
অঙকপনি! নংগী মায়া
নংনা শেম্বা তাইবংদা
উৎলিবা মায়াগী কুম্মে।
খংদে কৈদৌঙৈ লোইখিনি
চৎনিংবা কান্দা ভগবান্না
লোইনিংবা মতম্দা মপুনা
চৎখিনি তাইবং কনাদা তাকলম্দনা
মালেম্ কনাদা হায়রম্দনা
তাকৃথিগনি মফম ইথং থংহৌদনা।
কনাগী খোম্জিন্বা লন্

কনাগী তানৃশিনৃবা শেন্
কনানা থংগনি ভগবান্
নংগী মথক মথা কুম্মিদা
ওহোরুগনি অরৈ' লৈতব।
ঙসিগী অমুক্ অঙনবদা
কনানা কপ্‌লি ওম্না খোঙনা
অঙ্কুবু হয়েংগী কোয়ৌ অথেংবদি
নোঙনি পেম্না' অমুক্-হন্না।
অরিবা উনা কয়ানা
কেনখ্রি নিংঙমদনা পিরোইননা ;
অনৌবা কয়ানা বসন্ত ঋতু
চংলকৃলি হন্নাও মিনোক্না।
চেকৃশিল্লু তাইবং অপংবা
ঋতু নাইদবা খোংচংনি
অমুক পোকৃপা
অমুক্ শিবা মপোক্না
অনিরক্ ওদবা পোকৃঙমৃদবা মপোকৃনি।
তাদবা খংদবা উদবা নংদি
লৈরুবা মাইকৈ চংলুবা মক্কম্
লেল্লনি পুক্সি নিংঙমৃদনা।

ঐখোয় 'পুম্বা

চৎলু রাথনুগী মথা পোম্বা
লম্‌কেৎ লম্‌হায়গনু ;
শারম্‌চৎনা তুংলোম্‌দা
মীরম্‌চৎনা মাংলোম্‌দা ।
অয়ুক্কী য়ুম্বানুগী পুন্সিনি
লাইজ থক্কী কোঙ্গোলনি
করিগী অত্থক থংদবগে
পংনা পানবা ভাইবংপা'নুবও ।
ওয়াংগী কোয়্নৌ নঙাল্
ফংবা অঙনুবদগী
ঙসিদী হুংখিল্ অথেংবা
লৈরি ঐখোয় পুম্বা
ও: অত্থবু মথংগী মিকুপ্তা
বিধি নোংদম্বা মানা
করি তম্‌লমগবা কমান্নু থংদে ।
ঙাংগনু কনাদস্নু অরাকপা রাহৈ
শকনু কৈদৌঙৈদম্নু হুংঙাইতবা ছৈশক্
লোইনৌ অথোৎপা অমেংবা সুরনা
চামিন-থক্‌মিন্নৌ অহাও-হাওত্ত অনিমক্ ।
হৈ-শিংবা কয়াস্নু ওইস্নুনু
ঙমদে শিদ' অমর খুভম,

চৎকনি অকন' অশোন'
অপং' অশিং' ঐখোয়পুম্বা ।
শরুগনি তাইবংদা মথংলেম্না
কনা তোরে কজবা মিংথৈরোল,
ঙাংনগনি কৎতনা তোরে
অথিবা মিংথৈরোল্ থিনা ।
নিংশিংউ কাওগনু পুক্নিংদা
থল্লাই হক্চাং অনি পুম্না ;
লৈহৌবনি মিংচৎতি লেংদনা
অমাং অতা লৈতনা মালেমদা ।
ওনথিবনি দেহেনা উকুল্
তিনূথিবনি আম্বানা মালংদা
পাইথিনি মৈথুনা নোংমদোন'থক্তু
মাংথিনি উনা উনা ।
লাৎনৈ থম্মোয় শোক্না
কৎনৈ লৈরাং খুজোক্ খুৎশম্না
ঙাংনৈ শোন্নৈ মাবুদা ;
লেল্লিদো পুম্সি মাদি
তাইবং অকা অকুম্দা
শিদ রারী ওইহনা ।

ঙান্ত ঙান্বীয়ু

উরুবদা ঈশ্বর নংগী মায়া
থম্লকুলে কোংদোকুকে য়াহৈনা ;
পীনবীয়ু ভগবান খোজ্ঞালগী মপু
থিকপীয়ু লাইজ্জ হুংশিনা
পৎথরবা হকচাংদা ঐগী
কালেন্গী শারবা হুংশানা ।
চোংহন্বীয়ু য়েম্নীং অমুক্হন্না
নংবা থম্মোয়'সে রাক্চিংগী উন্লেন্ ;
ভোংহন্বীয়ু বসন্ত কোকিল
খোংহন্বীয়ু থুম্লবা পঞ্চম স্বরদা
কুহু কুহু হায়না থম্মোয়দা
ঙমহৎহন্বীয়ু চুদৎনরবা তাইবং'সে
পাংহন্বীয়ু মমিৎ মমাই
শিংহন্বীয়ু মিৎ নাকোং ।
নোংচুপ্ ভোর্ব্বান সেক্সপিয়ার
চীংহুং চেক্লা তাম্না
শকুহনবীয়ু রাখনগী ঈশৈ
তাহনবীয়ু হুংঙাইবা স্বর ।
থম্মোয়গী তারদা ঐগী
খোংহনবীয়ু বাঁশি কৃষ্ণগী
ঙাওন্বীয়ু গোপী ময়াম

ওইহনূবীয় লৈকাই য়াথোক্ ।
ফোংদোক্কে ঐগী য়াখয়া
ঙকৃহনগে তাইবং মালংসে
শিঙ্খহনগে পিয়াং মিংলুদগী
কপহনূগে থম্মোয় শোক্না
নিংশিংহনূগে অঙকপা নংগী নগুন্
ঙাস্ত ঙানূবীয়ূ
লেংদনা নংত থম্মোয়দা ।

মিংচৎ

ইরি অঙৌবা চেবাং 'শক্ত
অয়ংবা স্নাগী ময়েক্না ;
মুৎলোই কৈদৌঙৈদস্ত
হেনূগৎলক্কনি অহোইনহুম্ কুইরগা ।
মুৎতনবা হোৎনবদা ময়েক্তো
তানবা লাক্লবদা মমিদো
খনখি ওলাংথাগী লৈয়াংগুম
থোৎলবা থম্মোয় বজ্রগুমা ।
চোংশনূখি অশোংবা নারক্
কাখি উনূগী চীংজাও
লুপ খি সমুদ্র ঈরোয়্ংদা

চৎথি ত্তিংখং তুম্বৌ মরক্তা।
নোংমতস্সু হায়দে রাষ্ট
নিজদে মতেং ঈশ্বরদগী
পোক্খিদে অকিবা থম্মো'য়দা
চৎথি মথস্তুগী রাখন্না।
পাম্নবদি অমর তাইবংদা
ভান্নিংলবদি হুমিৎ-থাগুম মালেম্দা
কাথৎলু রাখল্ অনি লোংদনা
য়েৌত্রিকাওবা মতোন্দো।
য়েংলকন্নু হন্না 'মিৎতুনা
খন্গন্নু ভম্লোই 'পুক্লিংনা
ভম্ত্রবস্নু ওন্থরকউ শিৎন'
ঈহিং নাহিং শানা মথাদা।
শোন্নগনি মালেম্না মচিন্দা
ভাংনগনি তাইবংনা নংতনি হুপা
ভান্গনি অমরগী হুমিৎ থাগুম
খোকনি মভাল্ অয়ুক-হুংথিল্ অনিদা।

চিন্থিবা

থিস্নু খিদা নচিন্দু
হে তাইবং ম'ওইবা !

ওরাংতা কোরৌ মণ্ডাল্ কংবদা
শারে ! শারে !!
মাংলে ! মাংলে !! মালেম'সে ;
রানরে হা কার লাওনরে
চেপ্লে কোক্ত থুং হাপত্তুনা
কপ্-কপ্ ; —অত্থু
ওসি থিক্লে
নোং'রিক মতুম মতুম্
তাহল্লে মালেম থক্ত
চোংহল্লে লৈবাক্ লৈমা
থোক্হল্লে লৈখোম্ মালেম্সে ;
লাওরক্লে রারবা খোঞ্জেলনা
লৈশি লৈথোনবা রাহৈনা
হা ঈশ্বর ! উদবরা ?
ভৌরিবা মতৌসিবো, খংদবরা ?
লাওরিবা খোংলিবা ময়ামসিবো !
ওাওরে খংদনা রাখনুসে
চমমনরে উদনা থম্মোয়সে
তাবদা নংগী রাহৈ
উবদা নংগী নত্তৌ ।

লৈরবস্থু লৈতে
থংওবস্থু খংদে ;

উরবস্তু উদে নমিৎনা
তারবস্থ তাদে ননানা ।

মীনম্বা নংগী মাঙাং
লৌনম্বা নংগী মাহৈ
তামি হয়াও-হয়াওনা
য়েংবি নোঙ্গা নোঙ্গা
অপংবদি তাইবং ঐথোয়নিদি
থম্মা ঈশ্বর মানা
লাল্লবস্থ চানুবী
য়োল্লবস্থ ওাকুপী

অশাওবা

ভূপথৌ হে মীওইবা !
কৌরিবা নঙ্গা নংবু মী
ওাকুপগীদমক তাইবং লিচৎ
কৌরমগনি নত্রবদি নংসু
নিয়মু লৈতবা শা ।
কাওগনু তাইবংশা !
হোৎনৌ লৈতনবা
মায়াগী দেহেদা
ওমুত্রবদি মাংহনুবনি

মরু ফুক্রা দেহে পুম্বা ।
অথোই অহেন নাইবা সংসারদা
কল্লবনি ঐদি, শিংলবনি নংদি
হেল্লে ঐনা, থোইরে নংনা
কাহল্লে ময়াই থম্মোয়দা ।
কিদরা ? —কিরম্গনি ।
তুম্হন্বনি মিকুপ্তা
মাংহন্বনি পুংজাদা
ওল্হন্বনি জীব পানবা পুম্বা
হাংলবদি লৈকংলাগী মতৌগুম্ ।
তুম্থিবা নত্রা লঙ্কা পুম্বা
শাওরুবদা মিকুপ 'মতং
শারম্চৎনা মাংওইনরুবা,
অমমম্ ওইনা মরুফুক্রা
হাৎথিবা নত্রা লঙ্কা পুম্বা
কেনথিবা নত্রা মকোক্ তরা
হিংচাবা নিংথৌ রাবণদো ?
থম্মৌ হে মীওইবা !
লোয়নৌ ফজবা রাঙাংনা
তিন্নৌ অমেংবা রাহৈনা
নত্রবদি মম্লনি তাইবংসে
উররোই মায়াসে মপুগী

চেক্‌শিল্লু

মমৃলবা তাইবং ঈপাক্তু
অঙাওবা রাখল্লা মাংওইনা
থুংতা নৌরেল পাইদনা
পুম্নিগী তাইবং ঈপাক্
লানৃগে থৌরাংলিবা
হে মুপা—চেক্‌শিল্লু ।

শোংলবা তাইবং নারকৃনি
তিংখং চুম্বৌনা খনৃবনি
তোংশিল্লু নখোংহু মায়াগী
খোংউপ্‌ য়ুদনবা তিংথং ;
য়ুম্রবদি করিগুম্বা লম্‌য়াইদা
হনৃসি হায়রু হনৃঙমৃদ
চংসি হায়রু চংঙমৃদ
তাইবং নারক্কা লম্মুক্কহনা
'পুন্সি অহু অরেম্বদা
ঈরাক্কহনা পুন্সিগী নিংবা থুংদনা
মালেমথক্তু নিংঙমৃদনা মাংখিনি ।

কল্লিগীদি পাইরকৃতে 'থুংতা
থুংলাই লাম্হৈংননবা রেক্কবগা ;
কল্লিগীদি তমৃলকৃতে নরোন্
ঙম্রবদি ঙাংনবা রেক্কবগা ?

মীহুংশি খংদবা শানি
রাখন্ লৈতবা জীবনি ;
চংজকম্ লৈতবা নারকনি
শান্তি লৈতবা কস্বাকনি ।

নংনা রাবা উরগা
খানা নোকপা ভাইবংনি ;
মানা হুংভাইবা উরগা
কল্লক্ কনজাওনবনি ।

লৈরবস্থু রাই লৈত্রবস্থু হুংভাইতে
ঈশ্বর মাগী শোইকত্রবা মায়াবি
ভাইবং ঐখোয়গী চৎকত্রবা
অরা-অনাগী খোংচৎনি ।

চেক্‌শিল্লু হে হুপা !
লুপতনবা হীদো হোল্লিবা
পাক্লবদি ভাইবং ঈপাক্ত ;
য়েংউ তুং মাং হন্না
কারকলিবা ঈথক্ ঈপোম্‌দো
চাওনদি কিনা ঈয়াইদা
হোৎনরিবা থুপাউগদবগী হীদো
লাক্লরিবা য়োৎকদবগী
লাইজহুংগীদি হীংচা য়াইতম্বনা
হুমলিবা নোংলৈদি হুংশিৎনা

পুগদবগী শেন্নাম্নবা পনথুংকম্দা
চেক্‌শিল্লু হে মুপা শোইদনবা।

ওইনিংঙুরে অমুকহন্না

নিংশিংলকপে নিংঙম্‌হৌত্রবা পুক্নিংনা
থল্লকপে ম্রাখন্ লিশাং থাত্নুনা
শিস্তয়কপে পিরাং নিংঙম্‌দন' ;
কন্নাগী মতিক্ মুংঙাইখিবা
মালংবা মাগা মরুপ. ওইহনা
ইনিং তৌনা চেন্ চোংজবা মুংঙাইনা
নোক্‌চবা ঐহাক্না হন্নাও তন্নাম্না ।
লাল্লবস্থু ঙাকপী মুংশিনা
থংত্রবস্থু ভস্থী হন্নাওনা
ম্রাবী ফংতবা থিবিক্
পলেম্ পম্বৌ শক্ল' ।
হাংলবা থমোয়না মিত্তাকৈজ
উরু উরুবা মকম্‌দা
চংলু চংলুবা মাইকৈদা
নোক্‌চৈ পেন্‌জৈ হন্নাওনা ।
মালং খোংলম্ তুংইন্‌বদা
চোকথরবা নান্না হকচাং,

কন্নুং 'থক্ত মিকপ্ তানজৈ
চংঙকৃত্তে কৎতবা রাখন্ ।
কজনা তারে কজৈ
থিনা তারে থি ;
তিমরোই করগা স্বর্গদা
কৎত্রগনা নারক্তা তাই ।
হুংঙাইবা পুন্সি নারাগী
উরগা নোক্চৈ মোমোন
য়েংজৈ মূনা মূনা
হুংশি হৈব মপুনা ।
কাওরকই তৎতনা থম্মোয়দা
নিংশিংলকই লেপতনা বাখয়া.
ওইনিংঙুরে অমুক্হয়া
নারাগী হুংঙাইবা পুন্সিদো ।

পীনবীয়ু হে ঈশ্বর

ইমা ! ইমা !! লাম্নবী !!!
নচা চাওনবা হোৎনবদা
কেমৃলেদো পুন্সি অরেম্বদা
তারেদো লৈমাইথক্ত কপ্না ।
নচা য়োম্নবা লাম্নবদা

নোংজু মুংশা মাইয়োক্নবী
অরা কোম্ফাই থাংজবী
মোমোন্ নোকপা মিনোক্না ।

নচাগী মুংশিবনা হেনবনা
লৈকাই পবান্ লানুজবী
সমাজ মীনোক্ মৈশা থাংজবী
নিংহন্নদ্রবা ইমাগী থম্মোয়না ।

নচা চাওনবা হোৎনবদ
অহিং মিৎশেল্ থাংজবী
তরা চাক্লেন্ থওইদবী
মুংথিল চেক্থরবা ইমা-ও ।

কালেন্গী শারবা মুংশা
র'কচিংগী ইংলবা উন্লেন্
ইঙা ইঙেন্গী নোং নংলবী
ইমা ! ইমা !! লায়রবী !!!

ঙসি কোরৌ নোংশিনা
লায়র ইমাগী কাওডম্দ্রবা
য়ারা কোলোয় মুংশিবা
নিংশিংলকলে লায়র নচানা ।

ইমাগী হৌখিবা অরাবা
নিংশংলকলে নিংডম্দনা রানা

থল্লকৃলে মিংলুদা পিরাং চোংনা
করম্না শিংসগে ইমাগী লম্মন্ ।
পীনবীয়ু থৌজাল্ হৈরবা
হে ভগবান ! লায়রবা নচানা
ইমাগী লম্মন শিংনবা
হোৎনবদা নহাক্কী নত্তে ।

পুন্সি ঈচেল

অঙকপানি ! পুন্সি ঈচেল
রারে হায়দুনা ফনূগনা
তল্লি হায়দুনে লেপ্তুনা
ভাইহাক্ত ফম্বা লেপ্পা যাদেদো ।

য়েংনিংলবস্থ য়েংনা য়েংনা
তুম্নিংলবস্থ তুম্না-তুম্না
চানিংলবস্থ চানা-চানা
উনা-উনা য়েংনা-য়েংনা
পনূবা য়াবা ঈচেল্ নত্তেদো ।

মতমগী অকনূবা ইরৈগী থৌইনশিন্না
থাদোক্তুনা অরাবা হৈনিংবা লৈজবাপুন্বা
রাওজরোই ঐদ তাইবং ঈচেন্দ

তোর্ব্বানগী সেক্তাদা ফম্লগং
তাইবং পুন্সি ঈচেল্ সেংক্লগে
তপ্পা তপ্পা চেন্থজরক্কে হায়দস্ত
ফমূলে ফম্মা ওল্লে ওন্না তাওথৈ।

পন্দুনা লৈবা য়াবা নত্তে
সমুদ্র ঈপাক্ ঈরোন্ যৌনদা
অমুক্ হুংথিল্ অহিং লেপত্তনা
অপন্বা লৈতনা অথিংবা য়াওদনা
তাওথরিবা পুন্সি কাওশিংনি।

য়োত্রি ফাওবদি ঈচেংগী পম্বেং
তাত্রি ফাওবদি ঈশিংগী সাগরদা
থানবা য়ারোই অবা হুংঙাই ;
লেপ্লগা ঈচেল য়োরগা পম্বেং
থোক্লোই খোঙ্গেল্ নাইরোই ইপোম্।

ঈহৌ

পুন্সি ঐগী হুংশি ঈনেল্দা
তাওারবা অকন্বা তুরেল্গী ইরৈদা
থেংলিবা ঈথক্ ইপোম্ হুংগাই লক্ক
চৎলি' কাওহনা নোংলৈ হুংশিৎ।

থল্লুদে অরাবা থম্মোয়গী মৈশা
নিংশিংলুদে সুংঙাইতবা পুক্লিংগী চৈনা ;
ফংলগদা লোইরে রাখন্ ঐগী
চারগদা পেল্লে থম্মোয় ঐগী ।
তানবদা ফংনবা পোংতো থৌরাংলিবা
উদে মিৎ ঐগী পাংনা-পাংনা,
তাদে না ঐগী তানা-তানা,
থংদে হকচাং ঐগী লৈনা লৈনা ।
ঙাইহাক্কী হৌরকপা প্রলয়গী মৈ
ফংলুরগা নৈশাদে হকচাংদা ঐগী
মুৎথরকপা মৈবীগা হকচাংগী সুংঙাইবগা
থোরকৃতে মঙাল্ থংলকই মতম্হুদা
অশেংবা রাখনগী মঙাল্ অমম্বদা ।
অরাবনি ঙাইহাক্কী ঈথৌ কাম !
নংগী ঈপোম্‌দা তাওহনা চৎলুবা
ইকাই ইকি অচুম্ অরান্ থংদনা
মাংদা উরিবা অঙানবা মৈরা
তাম্নরকৃপনি অমম্বদগী মৈরাম্বী কৌবনা
থংদবনি চারুনি মৈরীনা মশা
উদবনি অরাবা থোক্লগদবা তুংদা
উরগদা পামলুবনি থম্মোয়না মাগী
কুপলুবনি অপাম্বগী লৈচিনগী কিজংনা

মীওই' পুন্সি

নিংথমথা ওইরকলে নাকেল্লে
উ·রা পুম্বা ইকোক্ কোক্লে।
বসন্ত ঋতু অমুক লাক্লে
উ·রাপুম্বা নৌহোনা য়েল্লোং হল্লে।

য়েংখি-য়েংখিবা মাইকৈদা
ওন্খি-ওন্খিবা লম্দম্দা
ইশং শংলে ইনৌ নৌরে
উচেক রায়া হরাওনরে মুংঙাইনরে॥

ঈশ্বর মাগী শিস্তা কাইবা য়াদে
মীওইবা নংসু অহল্ ওইরকনি।
তেল্লবা মীওইবগী পুন্সি ঈচেল্নি
থম্নাথক্তা ঈশিংগী পাংথক্নি।

উনা উনা খংনা খংনা
য়েংনা য়েংনা তানা তানা
ঈয়াইদা কোন্সোল্ তাক্পগুম্
ইথং খংহোদনা তাইবংদগী চৎখিনি॥

চেক্লা পুন্সি

মরুপ নংবু মুংশিবা
মুংঙাইরিনিদা নংগী পুন্সি

কল্লস্উরে ঐগী থম্মোয়না
মিত্তারুরে ঐগী রাখলনা
হৌফম্ খংদব' লোইফম্
লৈতবা য়েংবগী পেনুঙমদবা,
খংবগী খংঙম্দবা. শংবান্নবা
নোংমদোল্থক্তা মালংগী
ঈথক্ ইপোম্ নেৎনা চেক্লা
শাগপ তোইনা থপ তুনা
হৈনিং মিৎয়েংনা পাইনিংবা
আশাগা লোয়নন্না নিংঙাইদনা
তাংথক্ নাইদবা ঙাইবং
লৈকোম্ন্দা পাইরিবা চেক্লা ও
হন্না অমুক্ত য়েংলক্খো
চেক্লা কোলোয় মিংলেন্নখিসি
চান্ন' মরুপ শান্নখিসি
থম্মোয় রাহৈ শাংদানখিসি !
অপনবা লৈতবা নংগী লম্বী
পাইনিংবা মাইকৈ ফম্নিংবা উফৈ
কদাই ঐগীদি চৎনিংবা
মাইকৈ ফম্নিংবা মফম
শম্বনগী শম্বন তিংখংগী তিংথং ;
শংদে মতম্ ঙাইহাক্ত
অয়ুক্ ফংই বাবানা ঙাংই

ফুল চৎতে হায়ছনা
হুমিদাং ওইরকই চৈ কুমানা
লাইরিক্ ঔরাইদে হায়দুনা
চৎতরে পাদরে ফুট অাদনা
পিক্তদে চাক ইচেল কপ্লি ঐনা।
ফুম্বা, চাবা, থক্পা, পাইবা,
তোংবা, খোংবনা নশরুক
ওইরবা রারক্ মৈশা লাংজবা
চেক্লা ওইবা নখোয়গী নপোক;
পামজনা ওই নিংচুরে নাংগুম্না
হুংঙাইবদি মপোক চেক্লা নখোয়গী।
চেক্লা নংদি নশা পানবনি
কোইনা কোইনা পাইবনি
চৎনিংবদি মতমদা য়োঁনিংঙে মফমদা
উরম্গী শংবাম্লা সমুদ্রগী ঈথক্
ফজনা হুংঙেম্বা কাশ্মীরগী দৃশ্য,
অকংবা অশাবা আরবকী লৈচেই,
উন্গী চীংজাও হিমালয়,
আমেরিকাগী লৈচিল শৎনা
রাংলবা ফুরা দলান,
ফ্রান্সকী ফজবা য়ুম-লৈ,
রাসিয়াগী অচৌবা খুংগং খুংলাই
আফ্রিকাগী অতৌবা জঙ্গল

তারমগনি খোঙ্গেল শা কৈগী ।
কব্রিনো চেক্লা নংবু তাদরা
কৌজবদি ওইনিংবনা মরুপ,
খংলে খংলে চেক্লা নংনা
পামদবনি তিম্নবদি মরুপ ঐগা
ভিন্নদে' দি থম্না ঈশিং মুংশিং
রাঙাং শাঙাং ফিজেৎ চাকচা।
পাইম্নু-পাইম্নু চেক্লা রাংনা
থপ্‌পু তোয়না-তোয়ন তুফাং
য়েংজগে কুপতনা মিৎসে
চেক্লা নতুং ইন্দ্‌না।
ও: পাল্লম্লবদি ইশা
ঐগীশু নংগুম্না অনি
শান্নগনি মরুপ্‌ নংগা
পাইমিম্নগনি ঐখোয় অনি :
য়েংলুগনি অমরাবতী হৈকোন্
চামিম্নগনি অহাওবা উটৈ
ল্লেংমিম্নগনি মন্দাকিনী গঙ্গা ;
থক্‌মিম্নগনি লাইজ অহংবা
হনমিম্নরকনি নোক্লা-নেক্লা
লিরগনি কজবা ইমাদা
তম্নগনি নিংখিবা বাবাদা
হরাওগনি ইচেনা নোকনি তাদনা ।

মৈতৈ কবি নহা খোম্নৌবা

মৈতৈ লৈকোন্ লৈহুংশি
কাঞ্চি লৈরাং লৈনম্ নিংথিবী
শীংঙেল্ লৈশক্ ফজবী
লৈরাং কোলোয় শক্হেনবী
শীংঙেল বাচোম্—
লৈপুন্ লৈচা চেৎনা
পুম্নবী 'মাধবী' কোলোম্নবী।
শীংঙেল লৈখোং শেংলম্বা
লৈরাং চার থারম্বা
মৈতৈ কবি নহা খোম্নৌবা
চেক্লানা পাঙ্গল কল্লিদৈঙ
বসন্ত উপান্দ কাইদোংলগা
খৌবোম্ পোংনা খোংলম্বা
কদাই ঙসিদি চেক্লা ?
তাখিদরে খোঙ্জেল চেক্লাগী
কংশিল্লকলে উশা উপাল্গী
চোংথিদরে য়েন্নৌং অনৌবা
য়েংঙম্দরে অরাবা দৃশ্য'সে।
ইমা মৈতৈ লৈমা
নিংঙম্দরম্বালে চেক্লানা মতম্
চাদনা শীংঙেল্ লৈমন্

চনুখিবদা পোম্বী ককৃঙাওনরে
খোইমু নিংঙমৃদরে—কপলকৃলে
ইমা খোজেল্ খোক্না
চেম্বরকৃলে বধুসার ঈচেল্
কংখিদরে মিৎলুদা পিরাং!
অতুবু চৎখ্রবস্নু নংনা
সংসারদগী লৌথ্রবস্ন ইমাদগী
বিদাই-বিদাই মপোক 'সিমগী,
মাংলরোইনে লৈরাং লৈনম্
কংলরোইনে মাধবী পাম্বী;
শাৎলি ঙসি লৈকা ফম্না
হয়াও মথোই কাওনা
মৈতৈ' লৈকোন্দ মকা ফমা;
য়েল্লী মালংবনা লৈরাং
লৈনম্ মীপুম ভিংনা।
খিকৃপীরে অমৃত চাইবীরে ঈশিং
শিক্লম্ নাক্লমৃবা মৈতৈ
ভেকৃখৎলকৃলে খম্মোয়
চোংখৎলকৃলে য়েন্নীং নৌহৌনা।
রাখলগী কোকিল্ উরীরৈগী
তারি খোঞ্জেলদো—নিংশিংলি
মুর্ত্তিদো সুংঙাইরি খম্মোয়না
অপাবদি মীপুম্ ভিংনা।

নিংবা কাইরবা মাধবীগী কাম্নরবা
পিরাংনা চোৎলবা লৈগী পরেং
থম্মোয় শোক্না মুংঙাইতে ;
অনুতাপ্কী মৈনা চাক্রক্নবদা
ধীরেনগী অরাং পাংবা খোংচৎ
লাংতক্লনা খৌরাংনা ঙাইরি
করি খোক্লগবা থুনিং কাংনা।
মৈতৈ লৈকোন ফজবী
শাৎখিদরি লৈরাং মমাংদা
পোম্দরি শীংঙেল্ মতুংদা
কুইর-কুইর শক্হেনবী
মলল মলল লৈমুংশি।
মৈতৈ লৈরাং লৈখোং শেংবশা
কুদোক্সি নাপী মখোংদগী
চাইথসি লাইজ মরুদা
শাৎহনুসি মতম্ নাইদনা
অহুগা পুজখিসনু মাললংবনা
লৈরাং লৈনম হুংশিবা
য়েললুসনু চীংনুং লাম্না অথাপ্নদা
ইংসনু থম্মোয় পেম্না মীপুমথিংনা।

শাংহন্‌শি মতম্‌ নাইদনা

তরা মাপলশুবা শতাব্দীদা
যুগকী অওনবা খোংচৎতা
লাইবক্‌ চাওবী লৈনম্‌ চেনবী
ইমা ভারত লৈমগী
নোংচুপ্‌ থংবা তোর্বান্দা
গুজরাটকী মুংঙাইবা মাইকৈদা
পোর্বন্দরগী মুংশিবা লমদম্‌দা
সুক্না মম্‌লবা অহিংদা
নোংচুপ্‌ থংবা অতিয়াদা
থোকপা থরান মিচাককুম্না
তগুপ্‌ তরেংনা ঙানখিবা
জাতীগী পিতা হায়না
জগৎ'পুম্না থংনরবা
কোলোয় ফজবা, মিংলেন নিংথিবা
মোহনদাস করমচান্দ গান্ধী
লৈপ্রবগে নহাকপু লম্‌দম্‌কৈদা ?
লাকুখো অমুক্ত'গা ঙাল্‌হল্‌বীরখো
অন্ধবিশ্বাসনা কুপ্‌লবা
মম্‌লবা তাইবং ঐথোয়সে।
অডক্‌পনি ! তাইবং মালংপান্‌বদা
নংগী রাখনগী শক্তি,
অকিবনি ! থাংবা কনুবা

মিংহন্নত্রবা নংগী থৌনা।
ইমা ভারতপু সুংশিবা
জাতিবু কন্নবা হোৎনবদা
লৈরাংগুম্ থোৎলবা ম'ওইবগী হকচাং
খন্‌খিবা য়োৎনা শাবা মুর্তিগুম্
লেপখিবা নিংঙাইদনা মায়োক্ত
ভাবদা মমিং কিনন্নবা
উবদা মশক্ নিক্নবা
অঙকপা অকিবা ব্রিটিশকী
বোম তোপ্ নোংমৈগী মমাংদা।
শাহিং চাবা রাখন্ লৈতবা
মীসুংশি খংদবা মরৈ চাওবা
মহাপাপী ব্রিটিশ নংগী খোংপাক্না
গঙ্গাগুম' শেংলবা ভারত ইমাগী
লাইবক্ত থোকপ' শক্তিক থবাগুম্
নারক্ত শাৎপা লৈরাংগুম্
সমুদ্র ঈরোন্নংদা লোৎপা মণিগুম্
ঙানজবদি ঐখোয়গীদি বাপুজীদা
কাওবদি সুংশি খংদবদি খোংপাক্না
উরম্লোইনে অন্নাবা শকফম
ভারম্লোইনে সুংঙাইতবা খোঙ্গেল্
উৎলম্লোইনে য়েংথিনবগী মওং
থাংবনি নোক্না-নোক্না।

জেল্‌গী চেকপন মমুংদা
চহি কয়া-কয়া
কুম্‌জা কয়া·কয়া চাদ থক্তনা
লোংনা তারে লোংনা
উপনা তারে উপনা
অন্না-অনা কয়া থাংখিবা
মুংওয়া কল্লবা থম্মোয়
কিদয়নে ভক্তি লৈতবা
ব্যবহার লমচৎ থংদবা ব্রিটিশ ?
ও: লৈনিংজমালেদো বাপুজীগী
থাংবা কন্‌বগী হকচাং, নিংহন্নজবা
থম্মোয়না অন্না-অনানা থল্লবা
মীমুংশি থংজবা তাইবংদা
তারেদো লৈমাই'থক্তা নিংওম্‌দনা
কেম্‌লেদো পুন্সি উকুল·লক্ত !
কাওরোই কাওরোই ভারতনা
লম্‌য়ানবদি তিংথং চুম্বৌ লেংবা অ থৌবা
শোয়রি হিন্দু·মুসলিম্‌ থাইদনা
জাতী·বিজাতী নাইদনা
ঈরাংনরি পৃথিবী মফম্‌ 'পুন্নদা।
তাকপীয়ম্মু লম্বীদো ইনজয়কৃকে
পংলবা নচা ময়াম্‌—

শিদবা খুভম্ বাপুজীগী
খুনাম্ খোঙ্গুল্ মা-মাচুনা।
চংশ্রবস্তু বাপুজীনা সংসারদগী
লৌখ্রবস্তু বিদাই তাইবংদগী
মুৎলরোইনে খস্বীরম্বা বাপুজ'না
'অহিংসা' হায়বা নীতিদো ;
শাংলি ওসি পৃথিবী মফম 'পুম্বদা
কুম্বী কালেন খাইদনা।

লৈহৌরনি বাপুজীগী মিংলেনদি
ইতিহাসকী লামাই খুদিংদা
ইরি সনাগী কালিনা
ওান্নি সুমিৎ থানা লৈরি'মথৈ।

রারবা কান্দ নিংঙমহৌজ্রবা
ভারত ইমানা মিৎতগী
শিম্বরকপা পিরাংনা চেজেৎ
কে'নুশিন্দুনা অহিংসা পাম্বী
মখোংদা লাইজ খিকলি।

হে ভারতকী লৈখোং শেংবা
নহা খোঁদাং চাওবশা !

ফুক্তোক্শি নাপী মখোংদগী
চাইথসি ঈশিং মরুদা
শাংহনুসি মতম নাইদনা

লাওসি অচুগা ঐখোয়
ময়াম্ অমত্তা ওইনা পুম্না
"শান্তি-শান্তি বাপুজীগী
জয়-জয় ভারতকী"।

জবান ভারতকী

খুৎতা খুৎলাই পায়চনা তুংদা নম্বো পোচনা
সুক্লবা উমংদা শোংলবা নারক্তু
তিংখং তুম্বৌ মরক্তু সুংজেং মুঙ্গাই'থক্তু
অহিং সুংথিল অনিদা কুম্বী কালেন খাইদনা
চাদ থক্তনা শোকৃউ তংউদনা
খাংবা কনুবগী থৌনা'না, নিংহন্নদবগী ম্রাখন্না
উপনা তারে উপনা, লোংনা তারে লোংনা
থেংঙু থেংঙুবা চৎলু চৎলুবা মক্মদা
পুন্সি নিংঙাইদনা ঈথম্নরিবা
লাইবক্ চাওবী মৈনম্ চেনবী
পুক্চেল্ থংপী অকনুবা পোক্চবী
অকাওবী য়োক্চবী মিচং সঙ্গন নাইদবী
চায়োক্ নাওয়োক্ ফবী ভারত ইমাগী
থৌনা ফবা, মরৈবাক্ নিংবা
জাতীবু সুংশিবা ইমাবু কনুনিংবা

হে ভারতকী থৌনা ফবা অরানশা।
চেন্শিল্লু মাংলোমদা থৌনা ফনা
কাপ্শিল্লু য়েক্নবদা নিংহন্নদবা থম্মোয়গা লোয়ন্না
য়েংলক্লু নমিৎতুনা হন্না তুংলোম্দা
মাইনৌ হুপা থৌদাং উৎতুনা।
শোক্লি মীপুম্থিংনা, ঙাংনরি
য়ুমথোং খুদিংদা থৌনা ফবা
নংগী থবক্, নিংহন্নবা নংগী রাখন্
ঙাক্লিবা ইমাবু মাইকৈ মরিদা
থেংনরিবা য়েক্নবা তেঙ্গোল-তেঙ্গোল্
কৎলিবা ইমাদা ঈ খুজোক্-খুজোক্।
তুম্জরেদো ইমা ভারত নিংঙাইদনা
হোন্জরেদো স্বর নেম্না ইংনা শাংনা
থৌনা ফব মমা নিংবা
য়োৎকী হক্চাং শুংগা থম্মোয় চেন্বা
অথৌবদি মচাশিং' ...ন্দগী।
হাপ্পীয় থৌনা এখোয়গী অরান্দ
পীনবীয় নিংহন্নদবা রাখন্ থম্মোয়দা
ঙাক্চবদা এশোয়বু কন্নবদা ইজাতীবু
য়েক্নবদি মপৈ কন্থিবদি শঙ্গুনগী
থৌজাল্দি হৈরবা জগৎকীদি মপু-ও

অপংবা তাইবং

অপংবদি তাইবং মীওইবা ও !
অকবা অহেন্‌বদি থংদবা
অচুম্বা হুংঙাইবদি উদবা
ধর্ম্মনা য়ুম্বীনিদি মিংতাংবা ।
উশিন্না উশিন্নদবা
থংদশিন্না থংশিন্নদবা
হে তাইবং অপংবা !
পাপীগীদি মরক্তা পুন্য
লম্বী শেমৃগে, মপুগী
শিদ পাঙজেনৃগে তাপা-তাপী
ময়াম ঈরানৃবীগে হায়তুনা
মতোম্‌ লাকচবা মিংকী
ভান্না উবা তাইবংগী
ঈশ্বরগী মচানিপা অথোইবা
অবতার যীশুখৃষ্ট ;
মমৃনা চংপা লম্বীদি
ভাম্না চংহনৃগে হোংনবা
কল্লকৃপাদি ফংতবা মিহৌবনা
অরাবদি ওইদবা রাহৈনা
অমৃতগীদি হু হৈজিন্দুনা
পাংদি তিংতুনা হাংথিবা

ঙানবরনে লখ্মী মচুনা
হে তাইবং অপংবা ?

থৱানমিচাক্কীদি মরক্ত থাগুম্না
অমমৃবদা তগুপ্না ঙানৃজবা
হিংসাগী পাঙ্গনৃবা মরক্ত
অহিংসাগীদি অশোনৃবা গান্ধী—
তাইবং শান্তি পাওজেনগে
সিদ' পাম্বী থাবীগে
অমৃত লাইজ খিকপীগে
জীব অরা' কোকৃহনৃবীগে
মীওই' জাতি সুংঙাইহনৃগে
থৌরাংবদি করিগী হাৎলিবা
মচুনা হেন্না ইংবর'
হে তাইবং অপংবা !

শারবা লৈজোইগীদি 'থক্ত
থৌরাংলবা মীদা
অয়িংবদি লাইজ পীথকৃকে,
উপালগীদি মরুমৃদা—
শান্তিগী উরুমৃ লাংহনৃগে হায়চুনা
অল্লাগীদি শিদ মপাও পুরকপা
অতোনৃবদি হজরত মহম্মদ
করিগীদি য়েক্ল মরুপনরুবা

তেংজবরা মতুনা কেম্না
হে তাইবং অপংবা ?

য়ারোই-য়ারোই লৈবা
অচুম্বা, অফবা, অহিংসা মাদি
ফংত্রবা, ওইদবা, হিংসা মরক্ত
তুমগনি অইংবা উনগুম্না
অশাবদি মিংথেংদা হুম্মিংক্নী !

ভারত ইমাগী নোংশা পাঙ্গন্বা

ভারত ইমাগী নোংশা পাঙ্গন্বা !
শোংলবা নারক্ত লোংতুনা লৈবরা ?
সমুদ্র ঈরোম্নুদা লুপতুনা লৈবরা ?
লাকখো ওংলখো হল্লকখো ওসিস্ত ।
নোংশা'রক্তগী নোংশা অথোইবা
পাঙ্গন্বদি নংনা তাইবংদা খোংদারক্পদি
লৌশিং শিংবী লাইবক চাওবী
ভারত ইমানা মোমোন নোকচৈদো ।
(মীথা পোন্বা পামুদবা, ইজাত্তীবু
কন্নিংবা ইমা ভারতপু য়েক্লবদগী)
চেল্লিবা থম্মোয়দা থৌনা ফবগী ঈচেল
থল্লুবদা অঙকপান অকিবনি তুজুংবনি ।

নহাক্কী হনূবা লৈত্রবা থৌনা
ব্রিটিশ চেক্পম্নংদা শাম্নখিবা লীলা
জাপান্দ আজাদ হিন্দ ফৌজ
থংহনূখিবা থৌনা পৃথিবী শিম্না ;
লেপ্তনা শোল্লনি মিংথৈ নংগী
লেংদনা লৈরনি মিংচং তাইবংদা।
নোংশাদি নোংশা ময়াম ইমাগী
মান্নদে ইতোপ্ তোপ্পী ময়ামদগী—
পামদে অহিংসাদি গান্ধীগী
উৎনিংই হিংসাদি সুপা থৌদাং ব্রিটিশ মমাংদা।
নোংশা পাঙ্গনবা নহাক্কী নপান্দগী
ভারত ইমা মমিৎ মমাই পাংজরে
শন্দোকখ্রে মতিক্ মগুণ তাইবংদা
ইকাই খুম্নরে জগৎনা ইমাবু।
য়ারবা কান্দা নিংশিংলকই ইমানা
কপ্পী পিরাং চোৎনা মিৎলদা,
শোল্লী অবাবদি নিংঙমদবা রাহৈদা
ভারত ইমাগী নোংশা পাঙ্গনবা!

লেনজগে মতম্

থম্লে মাংদা চে
পাইরে থুংতা কলম্
উইশিল্লে মিং অনি
তৌরে ধ্যান অনিংবা
লাক্তরে রাখন্ ঐগী
চেল্লকৃতরে ঈচেল্ পুক্নিংগী
থোরকৃতরে খোঞ্জেল থম্মোয়গী
নাইদরে ইপোম্ হকচাংগী
থাঙমদরে নৌ ঈপাক্ত
খোংঙমদরে কলম চেদা
করম্না লানৃগনি ঈপাক্
করম্না থুংগনি সাহিত্য পম্বেং ?

থুংতা মালা পাইদনা
লাইবক্ত তিলক য়েকতনা
হকচাংদা গেরুৱা শেংতনা
চিন্দ রাম্ নাম্ শোম্দনা
কোক্ত জটা পুন্দনা
ঙক্ত উরিক্ লৈতেংদনা
নাকন্দ কুণ্ডল থাংদনা
চঙলগদরনে ঐবু নকম্দা ?

অঙাংদি নায়া ঐনি
অপংবনি অঙাংনি ঙরাংগী ;
কৃষ্ণ ভক্ত ওইরকৃতরে
হরি মিংথৈ শোল্লকৃতরে
ভারত য়ারী তারকৃতরে
খম্বগী য়ারী পাহৌদরে
থোইবীগী ছৈরেং তমৃহৌদরে
মমৃনা লাকৃলে ঐদি
উরকৃতরে ইবুংঙো নংগী
অরাপ্পদা উরিবা চীংদোন
থাপ্পা শন্দোকৃপ্রিবা লবুক্-লমৃহাং,
শংল নোংমদোন' থকী
ঙোর লৈচিন্ মপৈ ;
য়েংলকৃতরে মেরাগী পূর্ণিমা
তংজরকৃতরে থাবলগী অমৃত
লৌঙমৃদরে মহাও লৈতোনৃগী
থংদরে অরা' সুংঙাই'।
অদুবু ঐদি চানৃবীয়ু
তোল্লবনি ঐদি ইতোমৃতা
লৈতবনি চংজফমদি অমত্তা
নত্তনদি নংবুদি মপু।
উহনৃবীয়ু নংগী চেংলৌ
থীকৃপীয়ু অমৃতগী লাইজ

পীনবীয়ু থৌজাললগী মপু
শকচগে শোনজগে নগুণ
লেনুজগে মতম্ নকম্‌দা

অরেম্বা ওাক্তনি

পোলেপ্‌ কম থংদবা রাখম্না
পম্বুংকম্ লৈতবা আশানা
উরু-উরুবা মাইকৈদা!
তারু-তারুবা মকম্‌দা
খজৈ খুৎতা পাইতুনা
ঋতু কয়াগী ফজবা
ক্ষোংদোক্‌কে হোৎনৈ রাহৈনা
অভৌবা চেগী'থক্ত, অতুবু
থৎলৈ হিমালয় চীংজাও
চেম্বরকতে গঙ্গা যমুনা ঈচেল্
লানবা ওম্‌দে মালংবা
বিন্ধ্য, সাতপুরা চীংদোল।
য়ৈথাইবা অমনা
তম্‌থিবা চামা চামা
থোরকতুনা থম্মোয় লাইয়ুম্‌দা
অ মুবা ফিজংনা হেক্ত থনুথি।

উগে লাকৃনৈ কাওত্থনা
অঙানুবা মঙাল্ শিংশিলা,
অম্নাবা রাখম্না ফূখংনা
মেরংশি মুনা মুনা মঙালদো।
অরেম্বা ঙাক্তনি হোৎনবাপুম্বা
ঙম্লোই খোৎনা নৌহনবা
ওলাংথাগী নৈরাংগুম্ পেৎনা
কল্হনবা শোরারেনগী বজ্রগুম্।
তপাবদি কনাগী থম্মোয়বু
পেল্হন্‌বদি মুংশি পিরোইননা;
থল্লুগনু জগৎ শেম্বা
মপু মাগী থৌজ্রাল য়াওদনা।